Centre of Post-Graduate [illegible]
18342
LIBRARY

[illegible]ণিপুর আন্দোলন

[illegible]

[illegible]

[illegible] [illegible]

১। উপ[illegible] — [illegible] পু[illegible]সিংবা

২। পে[illegible] — শি[illegible] [illegible] মৈতৈ মচা

৩। থি[illegible] — মৈ[illegible]

৪। তো[illegible] — [illegible]

৫। হে[illegible] — [illegible] ম[illegible]ং উ[illegible]

৬। গু[illegible] — [illegible]

৭। চন্দ্র[illegible] — ম[illegible]

৮। সে[illegible] — " " " " " " " "

৯। তো[illegible] — মৈ[illegible] প্র[illegible]

১০। মৈ[illegible] প্র[illegible] বৃ[illegible] শি[illegible] —

[illegible]

১। হেমাবতী— মৈতৈ চনু থোনা কবী

২। জাতী— হেমাগী মতা

মনিপুর আন্দোলন

১বা মতাং

১বা উৎপা

—লাঙ্কোন চীংস্থা—

(উদয়, সেনাহল অমসুং চন্দ্রহাস বারী শাদুনা লৈরম্মী নাকল অমদা বেগুন খোংই, বোম তোপ নোংমৈনচিংবসু মরক মরক্তা কাপই। নোংমৈকাপ্পা লোইরবা মতুংদা বৃটিশকী সিকাই খরনা মখোয়গী ফ্রেগ যুংশিন্নগা তপ্পা তপ্পা খোকখি।)

উদয় :—ইচিল ইনাওশা !. হৌজিক্তি মৈতৈ ঐখোয়গী উপাই লৈত্রেদো। আকিল চাওরবা মালেমনা মাইকৈ অহুমদগী তকশিল্লকপনা মৈতৈগী ফম্বাল মুনখ্রেদো। পুম্নমকপু লুচিংবিরম্বা মৈতৈ লৈবাক্কী মৈরা কোইরেং অমসুং থঙ্গাল মনাউ-মশাল ফাওবা লোৎখুনা লৈত্রে। মথুংতা থুংলায় পায়খুনা লানফমদা মহাক অমা চোংথোকপিরকলবদি মৈতৈ লৈবাক্কী আশা ওইগত্রা মাই পাকত্রা থলম্বা ওজা ইবুঙো পাওনা ব্রজবাশিস্থ মালেমকী মফমদা মাইথিবা কংহুনা তাইবং অসিদগী থুপখেদো। হৌজিক্তি মৈতৈ লৈবাক্কী আশা অমা লৈত্রেদো।

সেনাহল :—অঙম্বা ! মৈত্রবাকীদমক চোংথোকপিরকদবা মৈতৈগী অকল-অথৌ অমম্বা লৈখিত্রবরা—?

উদয় :—কনা লৈরি—? হয়া য়েংবদা অথৌবা কনা উ খিদরে। লিক্লাই ইবুঙো কুলচন্দ্রগী থরাইনি থমজবা অথৌবা য়াইস্কুল-লাকপস্ন নোংপোক্কী লানকমদা অয়োং তুরেন মপান্দা নোংগাথরে। মজা ইবুঙো শঙ্গোইস্না লানকমদা স্না থৌগল ইনথরে—। ভারতকী নোংপোক্তা মনিপুর স্না লৈবাক্তা তোমখিন ওানবা শক্তিক থাবাগুম্বা চিংলেনস্না খোংজোমগী লানকমদা মালেশকী বয়া চেন্দুনা নোঙ্গাখ্রেদো। মৈতৈ লৈবাকী অকনবা মচা পোকই হায়বসে মৈতৈগী ইতিহাসতা স্নাগী কালিনা ময়েক লাবা ইহুনা মহাক্লা তরং তরং উংলম্মি! অহুবু পুন্নমক অহু অরেম্বদা তাখ্রে। মক্তুবা মঙালগা লোইননা থোকলম্বা মনিপুর স্না লৈবাকী ইনিং তম্বগী হুমিং অহু বিজাতি মালেশকী থোম তোপকী মৈথুনা থংহোদনা কুপথে। ওম্নোকপনি মৈতৈ পোকপী ইমা মৈতৈ লৈমসে মীখা পোনবগী ফিরুক থুমহুনা লৈয় হায়না তমথ্রবোইদকো.........!

চন্দ্রহাস :—অহুবু অসিগুম্বা মতম অ'সদা মনাও ইবুংঙো কোইরেং যুবরাজনা তুমিন্না য়েশিন্দুনা লৈরিবা অসিবু করি মরমগীনো অঙম্বা—?

উদয় :—ইচিল-ইনাওশা, মতম তানজানা য়াদহুনা স্নাহকচাং ঈহুনা লৈবা মরম্বা, য়াদবা মভাং থোকখিবনা মনাও ইবুঙো

যুবরাজনা য়েশিন্দুনা লোৎতুনা খাংলিরবি। ইচিল-ইনাও-শিংনা খল্লিববু মালেমপু কিন্নুনা যুবরাজ কোইরেংনা লোংলিববি হায়না খনবরা......? নংলমগ্ররবববু ইরৈবাক্‌গী অমুক য়াম্না অরা মৈশা লাংলবা মতম অসিদবু মনাও ইবুঙো কোইরেংনা লোত্তুনা লৈবা হোৌনবরা—? হোৌজিক স্না হকচাং ঈ-না ঈনা পাক্লস্সু ইখোক-খোক্তুনা লানক্ষমদা চোংথোকলুরগা মৈতৈ লৈমগী অরাবস্সু কোকহনবা ঙমদা, যুবরাজনা অরেম্বদা মালেমকী মখুত্তা থরাই থাগ্রবদি ইরৈবাক অমদি নখোয় ঐখোয়গী অমাংবা নত্রা.........? হয়েং মতম্বা চারগা মরাইনা চোংথোকচরকনি। খোলস্ত্র সুবদারনা লুচিংগ্রুনা মালেমকী লাম্মীনা মনাও ইবুঙো টিকেন্দ্রজিৎ কাগদবগী তুমহনবগুম কোইথিথিরি হায়বসি নখোয়স্সু খংলিবত্রুমঙাই, তারিবত্রুমঙাই—।

(মতম অসিদা ইখং-খংহোৌদনা খোলস্ত্র সুবদার ১ সুং খুৎলাই পায়বা সিকাই থরা চংলকই)

খোলস্ত্র :—ও......! মৈতৈ অঙম্বা উদয়! নংবু ঐনা উননিংতুনা লৈরমলিবনি।

উদয় :—সুবদারনা ঐগী ইকমদা করি হংবিবা পাম্মিবা—?

খোলস্ত্র :—মরম লৈ মৈতৈ অঙম্বা! নংগা ঐগদা চিক্না ঙাংনগদবনি (লাম্মীদা) বাহাদুর—! তুম্‌কো উধর তপ পঁহচো—। (সেনাহল, চন্দ্রহাস থাদোক্তুনা খোকথিবা) (সিকাইদা) তুম লুক উধরসে থেরো।

(সিফাইশিং থোকখিবা) মতম ফনা কুইরে মৈতৈ অঙম্বা ঐনা নংবু ভাইরকইবা নংগী মফমদা য়া থয়া হংনিংহুনা…।

উদয় :—অদুবু ঙসিদি থেংনরে, হংবিবা য়ারেদনা সুবদার সাহেব—।

খো :—ইচম-চম্বা করিসু নৈতবা য়াহংনি। যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী স্না হকচাং ঈহুনা লৈ হায়না তাই ; মহাক হৌজিক কদাইদা লৈ—?

উদয় :—হু……হু……হু…… সুবদারগী অদুগুম্বা ইচম-চম্বা য়াহং অদুগী পাওখুম অদু, মহাক অমদি কনাগুম্বা মী অমগী মফমদদি য়াম্বা লায়না থোকপম্বা য়াই। অদুবু ঐগী ইফমদদি থয়া লুনা থোক্লে। হৌজিক হায়রগা খুদক্তা ফংবদা সুবদারগী থয়া নিংবা থুংবা য়াৎলগনি।

খোঃ—থোইনা অরুবা য়াহং নত্তে। হৌজিক পাওখুম পীবদা থয়নিংঙাই লৈতে।

উদয় :—হংলিবা য়াহং অদু সুবদারগী মফমদা অরাইবা ওইরম্বা য়াই, অরুবা ওইরমদবা য়াই। অদুবু অদুগুম্বা য়াহং অদু মনিপুর স্না লৈবাকী বয়ামুক য়াম্না লুবা য়াফংনো হায়বদু য়াখল তৌবিয়া—?

খোলন্দ্র :—যুবরাজ স্না হকচাং ঈরে হায়বা পাও তারে। লৈকম তাকউ অনাবা হংবা চৎলুগে যুবরাজবু থুরুমজরুগে হায়-বসিবু করিগী অরুবা য়াহং ওইগদৌরিবনো—? ঐসু মৈতৈ মচা অমনি……।

উদয় :—হা… …হা……হা লাম্মীগী লুচিংবনি সুবদার ওইরবনি

হায়হুনা নখ্বাংদা শউন মচেৎ অমা লাকশিনবদগী মীওইবগী অফ-ফত্তা রাখল পুম্নমক কাউথোকখিহুনা মালেশকী আকিলগী মথাদা হংনা শাবা লাইগুম্না লৈবা নহাকুম্বা মীশক অহু নত্তে। নহাকুম্না ঐ অসিসু মৈতৈ লানমীগী অমদি মৈত্রবাক অসিগী লুচিংবা অমা ওইরমল্লিবনি।

খোলন্দ্র :—খংঙি নহাক লানমীগী লুচিংবা অমনি। অদুনবু থংফম খোকই হায়হুনা নঙোন্দা হংলিবসিনি। হাইয়ু যুবরাজ কোয়রেংগী লৈফম তাকউ ....। মতিক চানা মনা ফংগনি।

উদয় :—মনা ....! হা ... হা .... হা ..., মনিপুর যুবরাজগী অনাবা হংননবা লৈফম খংননবগীদমক্তা মনা পীগনি হায়বা—; মালেশনা মনিপুর যুবরাজ চানবিবা অসিসু ওন্থোক্না মপুং ফানা চানবিগ্রেদা পুকচেল চাওখ্রেদা মালেশ—! হা....হা....হা....।

খোঃ—মৈতৈ অঙম্বা—! নংগী অহুগুম্বা রাঙাং অহু তাগে হায়দুনা নংবু ফাবা নত্তে।

উদয় :—করেম্নবা নত্তে, অচুম্বনি শুবদার! মতম অহুদা নংদি মনিপুরদা খোরক্লিবনিনা খংলমদবা য়াই, তারমদবা য়াই। নখোয়গী কুইন্টন সাহেবনা লৈরিঙৈ দরবার তৌগনি হায়দুনা ফজবা মওংদা পুখোক্লগা হুরান—লাম্নাদা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ ফাননবা থোরাংখিবা অমদি হাপ্তা বাঙ্গালাদা মথোয়না মৈতৈগী রাশ য়েংগনি হায়হুনা রাশ

শান্নহল্লগা কুম্মৈ লোইস্ত্রিভৈদা মখোয়না মন্নুংদা শরো শিন্নদুনা অহিংদা লান হৌরকপা মত্তু পুন্নমক অত্তু খঙ্গরক্লগা সিংশিংলুরগা মালেশপু পুকচেল চাউবনি হান্নবদা করি অন্নানবা নৈবগে—?

খোলচন্দ্র :—উদয়—! ঐগীদি খাঙ্গেশেংনা হায়রিবসিনি, টিকেন্দ্রজিৎকী লৈকম তাক্লবদি অচম্বা মনা পীগদবা নত্তে। নকোক অত্তু স্না য়োমগদবনি লৈপাক্লা শকথং-মাইথংবা মশক নাইবা কমথোল হাইগৎকদবনি। রাখল মুন্না তৌ।

উদয় :—হা...হা....হা....মপুনা ভমোক পীজন্নগা থৌজিল্লিবমথৈ চংঙু য়াবা হুইগুম্বা থাগী তলব খন্নগীদমক্তা, কমথোন মচা অমগীদমক্তা নশাগী মান, সন্মান করিমতা য়েংদনা বীজাতি মালেশকী মীনাই ওইদুনা নজাতিগা মায়োক্লহুনা নথন্নাইবু য়োম্থোকপা ভম্বা পুকচেল পিক্লবা নংনস্থ ঐঙোন্দা অপাম্বা উৎতুনা পুক্লিং থৌবা শারি। থংঙু ঐহাক অসি নংগুম্বা অচম্বা মৈতৈ অমা নত্তে। ঐদি মৈতৈ পোকপী মৈতৈ চন্থুগী অশেংবা মচা অমনি।

খোলচন্দ্র :—ভুমিল লৈন্ন চিম্থিবা মৈতৈ অপংবা রায়াম ভাংবনা করি অমতা কান্নরোই। হৌজিকসু নরাল ভাকপিরি। হায়য়ু..........যুবরাজ কদায়দা লৈ?

উদয় :—ঐ খংদে। তাও সুবদার, করিগুম্বা ঐনা খংলম্বা খোক্লবস্থ নংগী ধমকা অমদি অন্নাকমবু কিহুনা যুবরাজগী লৈকম ভাকপদি ওইখোকতবনি।

খোলন্দ্র :—হু····হু···হু······নহাকী রাঙাং-শাঙাং অসি তাবদা নহাক শোয়দনা যুবরাজগী লৈকম খংলম্বা তাই! ঐগী অরোইবা রাহংনি। নহাক মৈতৈ মচা অমনি নথরাই মাংনিংত্রবদি যুবরাজগী লৈকম তাকউ। কজবা মিংচৎ পাম্মী হায়দুনা মপাঙ্গল নথোনাদি লৈতনা খোইনা অথাং কনগনু। তাংনা ফংলবা পোকণ্ডমদনা পোক্লবা মীওইবা মপোক্নি। অরেম্বদা খাংণ্ডখক্না মাংহনা তোকুনি। থরাই হায়বা অসি স্না লুপানা লৈবা ফংদবনি।

উদয় :—চুম্মী থরায় হায়বা স্না লুপানা লৈবা ফংদে! অদুগুম্বা স্না লুপানা লৈবা ফংদবা থরাই অদু নোংমা হকচাংগা কায়নবা হুমিংতা লোইরবনি অদুবু মিংচত্তি লেংদবনি। হা····হা····হা···তাও সুবদার! নথরাইবু অদুক পাম্মুনা অদুক লুনা খনবা নহাক অসি অশেংবা মৈতৈ মচা অমা ওইরমগনি হায়বা ঐ থাজদে। মৈতৈ চমুগী অশেংবা মচা ঐখোয়গী ইকমদদি থরাইদি শায়বা পোৎকুম্না খল্লি সুবদার! অদুবু করিনু লৈতবা ঐ অমগী থরাই অসি পাম্মুদুনা মৈতৈ স্না লৈবাকী ভাগ্য বিধাতা ওইরিবা নিংথৌ শাগৈগী মৈতাল অরাবা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী লৈকম তাকপদি ওইথোক্কবনি।

খোলন্দ্র :—হৌজিকসু মতম লৈরি অণ্ডম্বা।

উদয় :—মতম মাংনবনি সুবদার।

খোলন্দ্র :—তোগমু মৈতৈ অঙম্বা। লিলহানা মথুল চংঙমদাইদা চুম্মী হায়বগুম হোরেন.........।

উদয় :—ঐ নংগুম্বা মী নত্তে। অদুগা করিগুম্বা যুবরাজগী লৈকম খংলম্বা থোক্লবমু নঙোন্দা যুবরাজগী লৈকম তাকথোকতুনা নংবু মালেশকী মনা মথুম কংহনবা অমদি ফমথোল হায়গৎহনবদি ওইখোক্তবনি।

খো :—মৈতৈ অঙম্বা—! চিল অমা পাল্লি হায়তুনা পিক্লবা নচিল অত্তুদা অচোবা রা ঙাংগমু। লৈয়েং কানা কানা রা ঙাংগু। ঐ অসে কনানো হায়বত্তু নং মশক খংদ্রা—?

উদয় :—খংঙি চপ চানা খংঙি। মালেশকী মনা-মথুম চাত্তুনা মালেশগী মীনাই ওইতুনা মালেশকী য়াথংগী মথাদা বীজাতিগী খোংউপ লেকতুনা নথরাই হি জ'রবা মৈতৈ সুবদার অমনি হায়বা ঐ চপ চানা খংঙি।

খোঃ—করি—(হায়না উদয়গী খজাইদা থুপায়রক্লা থাবা) উদয়না খোলন্দ্রবু সুপকোন কোল্লগা লংথবা। মথবাক্তা ফমলগা রিবোলভর মুনবা। খোলন্দ্রনা হুইশেল খোংবা। উদয় ফুক হোগৎপা। অরাপ্পদগী নোংমৈ কাপ্পা। নোংমৈ কাপলকপা মাবেদা খোলন্দ্রবু থমলগা উদয়না নোংমৈ চিংতুনা খোলন্দ্রগী মরুমদা লৈবা।)

উদয় :—সুবদার নথরাই মাংনিংদ্রবদি খোংকম অমত্তা লেংগমু। নংগী সিফাইশিং অসে নোংমৈ কাপ্পা লেপহল্ল। নত্রবদি..........।

(খোলম্রনা হুইশেল খোংবা, খুৎ থাংগৎপা)
সিকাইশিং অসি মকম অসি তাম্না কৌশিল্লু।
(হুইসেল খোংলগা খুৎ মথর্ক্তা লৈবা, লাম্মীশিং চং-লকতুনা খোলম্রগী মমাংদা কোক্বিন তৌতুনা ইওক তন্না লেপ্পা)

খে :—ভ'রো—অপ লুগু'কে হাঁটিয়ার শোরনে পরেগা— । লাম্মী-শিংনা খুৎলাই থাদোকতুনা লৈবাক্তা থম্বা। উদয়না নোংমৈ চি'না চিংনা নোংমৈশিং অহু মুপকোন কোল্লি। মশা কনবগী খোয়াং থাদোক্তে। নোক্না নোক্না তুং হন্না চৎপা) ।

উদয় :—সলাম সুবদার সাহেব ! হা… …হা……হা………
(চংখিবা)

—লাইট—

১বা মতাং
২শুবা উৎপা

হেমাগী ক্ষুম।

(য়ুমগী নাকল অমদা লৈপল লৈবা মাইকৈদা ৭ নি পানবা থাজনা তরং তরং থোকলি। শুমাংদা বৃন্দা দেবী লৈ। হেমা ধুপ থাওমৈ পায়দুনা য়াম্না মথবাই হুংঙাইতনা থোরকই। য়াম্না পুক্কিং চংনা ধুপ থাওমৈ কৎলি। খুরুম্মী। অদুদগী হোৌপৎলগা মাঙোনগী উথোকতেম্দা ঙাদুনা ঙাইহাক চিন্তা তৌই। জাতি চংলকপা উবদা)

হেমা :—ইতা! নহাক উদয়গী মপাও তাবরা!

জাতি :—থোইদোকপা তাদেনে ইতা! ঐসু নঙোন্দা হংগে হায়দুনা.........।

হেমা :—ইতা থা ১ | ২ শুজিল্লক্রে মাগী ঈ-পাও ফংখিদবা......। মহাকপু মালেশকী মীনা ফাগদবগী কোটথি থিরিবসি মতম ফনা কুইরক্লে। মহাক্না লোৎতুনা লৈরমগদবসি কদাইদনো? চৌংদা মান্দা ওস্থোক্না রানা লৈররিনিদকো! করম্বা হুমিৎ থাদা মহাক্না অমুক্কং উনবা ফংগবা—! তাদদা মহাকী মরা-মপাও হংলুবদসু করি অমত্তা অরেপ্পা থংখিদরে।

জাতী :—ইতা—! নংনা ফনা রাহুনা করি কাম্নগদগে? বিধিনা চিংগ্রবা লৈই কনানসু মুৎথৎপা ঙম্মোই। পুম্নমক নোংদম্বা মাগী নোংদমনি। ঐনা করি হেম্না থংগনি। ঐনা করি

হায়গনি। নংনা হেয়্যা থংলিবদুমন্তাই। নংবু মানা কাও-থোকতুনা চৎখিবসু নত্তে। মৈতৈ লৈমগী অরাবা কোকপা ঙমগদ্রা। হায়না মৈতৈ মচা অমা ওইবগী অন্না-অনা থংদনা সুপা থোদাং হোৎনরিবনি। মসিদা নংনা করিগীদমক ব্রারিবা—?

হেমা :—করি হায়বা ইভা। ইরৈপাক পোক্লকম লমদমবু মালেশকী মথুণ্ডগী কন্নবগীদমক মহাক্লা সুপা থোদাং তৌবদা ঐনা করিগীদমক্তা রাগনি। ঐ অসিমু মৈতৈ চনু অমনি। ইরৈবাক পোক্লকম লমদমগী মিংচৎ ঙাক্লবগীদমক ইশাগী ওইজবা, কায়বা পুন্নমক মোক্লা নোক্লা থাদোকপা ঙম-গনি। ঐনা ব্রারিবদি অতোপ্পা ব্রাখলগীদমক্তা ব্রাবা নত্তে। মানা নিংলিবা মাগী পুক্লিগী লাইনিং মৈতৈ লৈমগী অরাবা কোকহনগে নিংলিবা মহাকী আশা অদো মপুং ফাদনা লম্মথাদ্দা মাংহুনা করিগুম্বা মালেশনা ফাখিবা থোক্লবদি পুন্নমক অয়েম্বা ভারে হায়না থনখিবদগী নভানা মতম চুপ্পদা ব্রাজবনিনে ইভা—!

জাতী :—অদুনবু ইভা। ঐনা হায়রিবসিনি। অরাবা ব্রাখল থনবগী মহুৎতা মহাকী ব্রাইক মন্থোলগীদমক্তা ভাইবং মপুগী মকমদা চংজো। শ্রীগোবিন্দবু মতম পুন্নমক্তা কাউগনু মহুনা নং অমদি মাগী অকবা ওইগনি।

হেমা :—হায়সু হায়বনি ইভা—! মহাকুম্বা মুপা অমগী পুক্লিগী লোয়নবী ওইজহুনা মৈতৈ লৈমগীদমক্তা অরাবা শরুক

য়াজবা ক'লবদি পোকপগী মহে য়াল্লেদকো ইতা! অদুবু লাইবক চাওবী ঐগী লাইবক্তা বিধিনা করি হায়না তম্লিগবা—।

জাতী :—ইতা—! ইতাগী পুকচেল অদু লোইবী চৈংগী মতোঙ্গুম লেপ্লীয় লাইজ ঈচেল্দা তাউথরকপী কাওশিংগুম লাইজা ইপোম্না য়ৈবদা মতমগী ঈচেল্দদ তাওথখিগনু। মুংশি হিদেল্দা হোংবিগনু—।

হেমা :—করি য়ানো ইতা ইবেম্মা। নতাগী থম্মোই লকাম্নু'দা অতৎপা লৈতনা চৈহো কম্না চাক্লিবা অপাম মুংশিগী মৈচাক অসি মানজা মাগী মুংশি হিদেল্দা পুক্লিং অ'ন লোংদনা লুপচংরবতদা মৈচাক অসি মুৎকদবনিনে ইতা।

জাতী :—অদুদি ইতা—! ঐসু চৎলগে পাজিনা কৌরকজনি।

হেমা :—নত্তে ইতা ঐ অরুবা য়া অমা অমিদা হংখিগে। তোম্পোক্না ঐখোয়গীদা চুম্ন কোয়রকপদা নত্তনা মাগী মরমদা ইত্তৎতত্তনা ঐতোন্দা য়া হংভি। মীনা হায়নরিবা তোমপোকপু মালেশকী মী ওইক্লে হায়রিবসি অচুম্বা—।

জাতী :—চুম্মী ইত—। পাজিনা অদুম্না হায়—। মানা উদয়গী মরমদসু অদুম্না য়া হংলকপা তৌরিবোইরে। মুংশিখিল্লেদা মাগী তোম্পোক হায়রবসে। য়েংঙোই ইতা—। লাক্লগা ফিদাগা থারুবু। থো য়া শাদনা লৈখোকউ। মদুম হেক তৌত্রিবমখেই মানা ঈকায়বা মাংশদবা লৈত্রে।

হেমা :—অদুবু ইতা মুংশিদে হায়রুনবু ইপা-ইপু হাক্তকভগী চংনররুবা মৈতৈগী চংনবী কোবনিনা মী অমা লাক্লবদি কিদা থাবা হিন্নাক ওাহুক অমা হান্দুনা সেবা তৌবা হায়বসি ত্তোকপা য়াদ্রেদ্রো। নত্রবদি মীগী মীনোক চংওকনিদো। ঐহাকথর্কীদমক্তা ঐবু পোকপা ইপাগী মায়থুমররগনিদো। থংদ্রেদা ইতা! য়াখ্রেদা। (মতম'সিদা জাতীগী ত্রপানা)

জাতীপা :—(মপান্দগী) মুপীমচা—! জাতী—! লাকওদনা করি তৌরিবগে ইবেম্মা—। চাক-ঈশিং থোংদোক্লরো। মতম অসি থেংজিল্লক্লে—।

জাতী :—ইতা! পাজিনা কৌরে। ঐ চংলগে। হন্নেং অমুক কোইথোরকে। (চংখিবা)

হেমা :—চংলো ইতা— !

(জাতি থোকখিবা হেমানা য়েংহুনা লৈহৌবা অদুদগী মনিংলোমদা থোক্লিবা থাজনা অমুক হম্না য়েংলুরগা)

হেমা :—ঐ থরোগী থাজদি মাগী চান্নরবী থরোবু উজরসনু য়েংজরসনু হায়বগী মতাগুম্না য়েক্লা তিংথং লৈচিন-নোংঙাই য়াওদনা মনিং তম্না নোংমদোন অতিয়াদা তক্ক তক্ক হুনঃ দোকলক্লি। অহুবু কদাই—! লাইবক চাওবী হেমাগী মুংশি থাজদি কদাই— ?

—ঈশৈ—

হা থাজ থানিন ইতারোই
অহিং লৈল্লাংশীদি চায়বা
থাজ নংদি য়াংনা খোকপনা
তাইবং শারাশন্না উরিনি ॥
সুংশি মাগী লৈকম হায়বিম্ব।
মানজা মাবু উবরা য়েংবিম্ব।
চাক্রে চাক্রে ঐগী থম্মোইসে
খাংঙমদরে সুংশি মৈচাকসে
মানজা মাবু উরবদি
তাইবং কনা তাহন্দনা
মুজাগী অরা মৈচাকসে
পাম্মু নাপ্পদা চিরা তথীয় ॥

(ঈশৈ শকপা লোইরগা ভাইহাক রাখল তৌদুনা লৈ-রিভৈদা কিরক-কিরাং খুম্বা উদয় লৈপন্দগী চোংশিল্লকপা। মড়ু উবদা শুমাংদা লেপ্পা হেমানা কিদুনা শিরি থাক কাথংতুনা ইমুংদা চংগে তৌবা। উদয় প্রপ-প্রপ চং-শিন্দুনা হেমাগী খুদাং তাপ পায়বা। হেমা লাওগে তৌবা। উদয় হেমাগী মচিন মেনবা—) — হো—।

উদয় ঃ—হেমা—! ঐনি—। (হেমা ইঙক ভকপা) হেমা—।
করিগী ভক্রি—।

(ফিরুক হাংদোকপা) হেমা ! কম্বিগী ওল্লি ; নং ঐগী উদয়নি। (হেমানা উদয়গী হারবা খংজদ্রুনা)

হেমা :—ও… মতম তানজা অসিদা নং……………………?

উদয় :—মানি ঐনি। (খুজেং থাদোকপা)

হেমা :—অদুদি……………। (ইমুংদা চংখিবা)

উদয় :—(ওক্কা) হেমা— !

(হেমানা মোড়া অমা থারবা) হেমা— ! কৌজিক যুবরাজ ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎসু থুপথ্রবনিনা মৈতৈ লৈমগীদমক চোংথোকপিরকদবা অকনবা লৈখিরে। ঐনা হৌজিক হোৎনরিবসে মৈতৈ লৈমগী অরাবসে মপুংফানা কোক-হনবা ওমত্রবসু মৈতৈ ইরৈবাক পোক্কম লমদমগী অরাবা শরুক খরদং রাজগে থোরাংজরিবনি অদুবু শ্রীগোবিন্দনা করি হায়না ওমলিগবা !

হেমা :—ঐখোয়গী তাদসু যুবরাজ কোইরেংনা নোংগাখিঙৈদগী করিনো রাখল অমা তৌরে— !

উদয় :—হেমচন্দ্রবু— !

হেমা :—হো—, তাদনা নহাকপু অমুক্তং উনবা কংলবদি হায়দুনা মতম পুম্নমক্তা শোন্দুনতা লৈ।

উদয় :—পুম্নমক থংলে। অদুবু হেমা ! ঐখোয় ম্রেবকী মীনাই ওইরেদকো…………………! নিংঙমদবা মৈনা চাক্লে থরাই অসি……………। করিগুম্বা নহাক লৈরম্লবদি নহাকী নশক অসি য়েংলগা ওমখিরবা মীথা পোনবগী

মৈচারা চারুবা ঐগী খন্মোই অসি থর থজিক ঈংবরা য়েংগে। পোথাবা কংগদরা হায়দুনা চংলকপনি। ঐ নৈকম থংদ্রে। খোনাও অসি গ্রক গ্রক কংখরে। ঈশিং থজিক্তা থক্কে—।

হেমা :—লৌথোকচরুখিগে— (ইমুংদা চংখিদুনা নিংথিরবা পাত্র অমদা ঈশিং পুথোরকদুনা উদয়দা পীবা)

উদয় :—পাজী নৈত্র — ? (ঈশিং লোবা)

হেমা :—নৈতে চথোকখি (ঈশিং উদয়না থকপা।)

উদয় :—নখোয়গী ভাদা হেমচন্দ্রদি কয়াম থাপ্না চখোকখিবনো ? তুমিং খুদিগী হঙ্গিল্লকপা মতম ওইত্রিবরা— ?

হেমা :—তাদগী হঙ্গিল্লকপা মতমদি অরেপ্পা নৈখিদরে। ঐনা হায়জরিবা অসিনি। যুবরাজ ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎনা নোঙ্গাখিভৈদগী তাদদি মণ্ডং অমা তৌথরে মতম পুন্নমক্তা রাখল্লা ফিজেৎ ওইদুনা মৈতৈ নৈমা অসিবু মিথা পোন্দুনা অসুম্মক নৈরগদ্রা হায়না অঙাওবগী মতৌগুম মচিন্দা মুকুম মুকুম শোন্দুনা অপুনবা রাখল অমদা লুপখ্রে। অহিং অনিসু হনজিল্লক্তে। করি তৌরবনো হায়বসু খংদে। হংঙি খুমদে হায় তাদে।

উদয় :—অচুদি হেমা—! নংসু উনরে। হৌজিক্তি ঐহাকসু চংলগে। কুইনা নৈথোকপা য়াবা মতাং থোকত্রে। অসুম্মা ঐনা নখোয়গী অসিদা নৈবসি অউবা অথংবা য়াওখ্রগা

নখোয়স্নু য়াওনা অরাবা তাহ্নুনা তোক্তনি। ঐ চৎলে।
(হেমা খুমদে য়েংহ্নুনা লৈ)।

হেমা :—অমুক্তা ভাইবিখো—! ঐনা হৌজিক হায়জনিংবদি ঐহাক নহাক্কী নতুং ইনজরগনি। মীথা পোল্লবী পোক্কম লমদম, মৈতৈ লৈমগী অরাবা কোক্লবা হোৎনবদা অরাবা কয়া খাংলিবা খুদোংথিবা কয়া নংলিবদো ঐস্নু মতুগী শরুক চপচানা য়াজগনি। মসিনা ঐগী লেংদবা পুন্সীগী লাইনিং ওইরগনি।

উদয় :—নত্তে নত্তে হেমা—! নহাক হৌজিক ঐগা লোয়নহ্নুনা চৎপা হায়বদো হায়গন্নু। ঐনা হৌজিক লাক্লিবসি শা-লাননি। নহাকপু পুহ্নুনা চৎপা ওস্নগী খোরাং অদু ঐ তোরক্তে। অদুনা নং ঐ চৎমিন্নবা য়াবগী মতম অদু থোক্তে। ঐনা ওইরিবা ফিভম অসিদা নংনা ঐগী ইতুং ইল্লবদি খুদোংথিবা থোকপা য়াই—। অরাবা কয়া নংবা য়াই (তোম্পোক রিবোলভর চিংনা চিংনা চংঙকপা)

তোম্পে ক্লা ;—হা, হা, হা.........(হেমানা উদয় থৎপা) উদয় নথরায় মাংনিংদ্রবদি মাঙ থারো লাউ, নং মুপা অমনি—। মুপীগী মরুমদা থুপতুনা নথরাই হিংগে খোরাংগন্নু। লাউ ; নিংথিনা হায়'রভৈদা মাঙ থাহ্নুনা ইরেন্না চৎলু।

হেমা :—নত্তে, নত্তে তোম্পোক। নহাক ফিংগন্নু।

তোম্পোক :—হেমা নংহাকস্নু খঙলিবা অদু মঙাই। তারিবা অদু মঙাই। মহাক অসি ম্লেষ য়েক্লবনি, ম্লেষকী

য়েক্লবদি ঐগীসু য়েক্লবনি। অদুগীসু মথক্তা থুজিন্দা য়ুবা তুম্বু খুদোং চাবা ফংলবা ফাওবদা শক্তোক্তনা অসুম্মক থম্মগদ্রা ? উদয়, হৌজিক ফাওবা করিগী লোৎতুনা লৈরি ?

উদয় :—তোম্পোক। নথুত্তা নোংমৈ মচা অমা পায়রগা থোইনা অথোই নাপল কাগনু। নং অসিবু (চংশিনবা) মৈতৈ মচানিকো পুক্কীদনক্তা বীজাতী মেরষগী মীনাই ওইদুনা নরৈবাক নজাতীগী মাংনবা শিনবা মৈতৈ অমা ওইরগা মৈতৈ অমবু ফাবা লাক্লিবা অওকপা নংগী থম্মোয়নি। (উদয় চংশিল্লকপা হেমানা উদয়বু খাম্বা হোৎনবা)

উদয় :—তোম্পোক—! নংগী ফাবা অমদি নংগী নোংমৈগী গুলিবু কিদুনা উদয়না চেনগনি হায়বদি থক থনগনু। মীনাইদি মতম পুন্নমক্তা মপুনা চান্নবা হোৎনরগা নপুক থনগদবনি। লাও! মীনাইগী তোফম থোকপা তোদুনা নবুংঙো মেরষকী য়াথং পাংথোকউ। ফাররো লাও। অদুবু নংনা ঐবু ফাদুনা পুবদি ওইথোক্তবনি। নং হৌজিক খুৎলাই পায়বা মেরষকী মীনাই অমনি। কাপ্‌পু ঐগী থল্লাই য়াওদ্রবা হকচাং অদু নংগী নবুংঙো মেরষতা কৎপদি নং শোইদনা ঙমগনি। কাপপু, কাপপু—। (হেমানা থৎপা উদয়না নোংমৈ মুনবা। তোম্পোক কিবা) হা-হা-হা তোম্পেক! ঐ নংবু হাৎপা ঙম্মী। অদুবু নং অসি শাদগী হেন্না তোনবা মীশক অমা ওইরবসু ইমাগী ঈ চেল্লিবা মৈতৈ মচা অমনি। অদুনা নংগী

নথরাই কনবীগনি। মতুংদসু নং নত্তোমদা ঐবু ফাগে থৌরাংগনু। ঐবু ফাগে নিংলবদি বৃটিশকী মতিক চাবা সিফাই পুদুনা লাকউ। চৎলু নংগী নবুংঙো মেৎসবতা ভম্মু। উদয়না খুত্তগী খুৎলাই মুলহৌরে হায়না—

হা—হা—হা—

উদয় ;—চৎলু করি য়েংলি— (ত্তোম্পোক চৎখি। হেমা উদয় য়েংনবা)

—লাইট—

৩শুবা উৎপা

"লক্ষী—অঙ্কুক"

(তোম্পোকা খিয়া পয়লা বারী শাদুনা চংঙকপা)

তোম্পোক :—মাগী মচা অহুবু খুড়া পয়লানা স্বর্গ য়োনা থাঙ্গৎলবসু য়ারোইয়ে। ঐতনদি ময়াররোইয়ে। ওরাংগী চুমিত্তা তোম্পোক ইমিৎমক্না। ঐ পুমঙন ওনখ্রে। দাই-থোকহনখ্রে।

পয়লা :—করি তৌরবগেনে ইবুংঙো! ইনাও গুলাপ্না পোকপ সুপী মচা অহুদি ফন-ফবগুম তৌবনিদা। ঐতা নত্তে, মী পুম্নমক্না শোয়রিবী অঙাংনিদা।

তোম্পোক :—খুড়া পয়লা—তাও ঐ রা হায়গেসে, হেমা হায়রিবী

মুপীমচাসে ঐনা কয়াগী মতিক মুংশিজবগে পামজবগে হায়বত্তুদি পুকচেল তিংনা হায়রবদা মুজা মানা ঐখোইগী য়ুমদা লাকতুনা পাখং ঐগী সেবা তৌবগী মত্তুত্তা লাইবক থিবা পাখংনা নিঙোন মরানয়াইদা চৎতুনা লৈক হায়বা ফাওবদা হায়ফাক্সিভৈদা য়াগদবা তোম্পোক্সি। অসি য়েৌনা ঐনা মাবু মুংশিজরিবনি।

পয়লা :—বিষ্ণু, বিষ্ণু হায়বদি য়াওং ইনবা ফাওবা ঙমগনি। অসিনিদা ইবুংঙো!

তোম্পোক :—(নাকেং চেন্দুনা) অথবু'দ মাচুংনিনে অত্তুবু পাপ চেল্লবা চিল অসিনা অমৃতগী মশকগুম্লবা অথুম্বা রাহৈ অত্তু পনজনিংদত্তুনা রাকোই শুত্তুনা কোইনা ফাংচরিবা অত্তুনি। খুড়াম্মু ইমাংনি ইতুংনি হায়বা খিবীগম্মু। অশেংবা হায়বীয়ু। ঐনা মাবু নিংলিবা অসিগুম্না মনিপুর ম্না লৈবাক অসিদা মাবু কনানা নিংবীরিগবনো?

পয়লা :—মত্তুদি ময়েক্লা তাবা রানি। মাবু কনানা থওইনা তৌবিরমগদগে? ইবুংঙোনা মুংশিজমনবদগী কা হেন্না পংনিং নিংজরুবনি। নজ্রনে ইবুংঙো!

তোম্পোক :—হো মানিনে খুড়া! নিপা ঐনা নিংবীবগুম্না কনানম্মু মাগীদমক্তা মতম মাংবিরমগদগে?

পয়লা :—অত্তুবু হৌজিকপু কৈদৌরিবগে?

তোম্পোক :—ঐনা মাগীদমক্তা মতম মাংবা অমদি নিংবত্তু মানা ঐবু মুংশিবীদেনে খুড়া! মসিদা মানা মুংশিবিত্রবম্মু

মশিন্নি। উদয় মানা মুক্তা মাগী অরেপ্পনি হায়বা করম্বা অরেপ্পা লৈবগে? অসিমু ঐনা হায়শিন্নব্রা? ইবুংঙোমু খংবিরিবতুমগাই। উরিবতুমগাই। মুংশিনবী কয়া কায়নরি। মুংশিনদবা কয়া থুংনরি। পুম্নমক লাইবক্কা তম্বনি।

তোম্পোকঃ—অতুবুদি চুম্মীনে। অদুদা খুড়া।

পয়লাঃ—অত্ব অদাগী রা লৈতে। পুক্সিগী অহান্বা শৈহৌদা হেক্কে নিংউবা লৈরাংতু হেক্কনা।

পায়লাঃ—চিন্দনা তোকপা হৌনদে। কুঠিগা য়েংনতুনা লোইরবা রা লোইনগদবদা ঙাইরবসিদা পাজিবু করম্না হায়দোকউ হায়গদগে?

তোম্পোকঃ—চুম্মীনে খুড়া! অতুবু মাগা ঐগবু কয়ামুক পক্লে হায়বগে?

পয়লাঃ—পক্লবগী হায়রুরবদি ইবুংঙোনা হিংচাবা, অতুগা মানা হিংচাবীনি। অতুনা মুপী অসি নাম্থোকহন্বা য়াদে। লোগদবনি ইবুংঙো।

তোম্পোকঃ—অতুদি খুড়া হেমাগী মপাদা রা খরা ঙসি হয়েংমক চত্তুনা খুড়ানা হায়বিবা তারে।

পয়লাঃ—করি হায়য়ু হায়বগে? ঙসি হয়েং নত্তে। হৌজিকমক চত্তুনা হায়রুগে।

তোম্পোকঃ—মীগী মচাদা থাজরবা নচা নিংঙোল অসি অমুম অমুম তোই হায়তুনা মপাদা হেক্ক হায়বিয়ু।

পয়লা :—হেক্তা হায়গদবনি।

তোম্পোক :—খুড়ানা মহুবু হায়বীরুহুনা মপানা খরা চেকশিন-বীরবদি ঐগী পুক্লিং অসি খরা লৈতাবা য়ারগনি।

পয়লা:—মহু হায়বদগী হেন্দোকতুনা মপানা ময়ুমদগী খুবৈ নাম্মা অমা কাওবা হেন্দোকহন্দবা অমদি ময়ুমদা পাখং অমত্তা চংবা য়াদনবা খুড়ানা শোয়দনা শিনগনি। করি অমত্তা চিংনগনু। ঐ নংগী খুড়া পয়লানি।

তোম্পোক :—মহুদা থোক্লনবা শিন্বীয় খুড়া (ফুরিৎখাউদগী পৈশা লৌথোকতুনা পীবা)।

সে খুড়া—! ঐগী হেমা শোয়হন্বীগনু। (পয়লানা লৌবা ফিজিদা চেৎনা কিশিন্বা) খুড়া কামগী শুদ্ধাংনবগী মশক ওইরবা মুজা মাগী থোইরুম্‌ মোমোন্বা চিন্বান্দগী থোরকপা মুংশি য়ারা অহুবু করম্বা গুমিৎ থাদা পাপ চেল্লবা নাকোং অসিনা তাজবা কংগবা—!

পয়লা :—তারকনি ইবুংঙো তারকনি।

তোম্পোক :—লক্ষ্মীগী মশক ওইরবী শানৌ মাগী খম্বৌ হেরা-গুল্লবা পুম্বুম্বী পাম্বোমগী খাওদল মানবী থুত্তা অহুনা থোংবা তরা লু-কোইহুবু করম্বা খেনকমদা পাপ চেল্লবা ঐগী খয়াত্তা তারকবা।

পয়লা :—তারকনি ইবুংঙো তারকনি। ঙাইবদা কল্লু।

তোম্পোক :—অদুদি খুড়ান্সু ঐনা হায়জবহু পাংথোকপীরুম্মো। ঐসু চৎচরগে।

অখিবা রা হায়রবস্ত ঐনা করি অমত্তা শাউজবা ভমজদে।
মরমদি ঐনা মাবু থরাই হকচাং য়াওনা সুংশিজেনে।

পয়লা—অতুনিদনা ইবুংঙো! সুংশিবগী অরোইবা থাক য়োরে। মখা হায়থৌ ইবুংঙো! নংগী অসিগুম্বা রাধা কৃষ্ণগী নামামৃতগী মশক ওইরবা শাবী শানৌশিংগী প্রেমগী রস অসি ভারগা খুড়াম্ন নহা অতু ওইরকপ্রা য়েংগে।

তোম্পোক—করি অমুক হায়খিশিগে খুড়া! মানা অদুকী মতিক খিনা চৈরগা, শাউরগা ঐনা মাবু থোইনা হেন্না সুংশিজেদো। মৈচাক অসি অহোইননা চাকপা হেনশিবনিদো।

পয়লা—আঃ - মতাং অতুদি ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণগী দেহী পদ্দ পল্লব মুদারম হায়বা মতাং অতুনিদো। ইবুংঙো মখা লিথরো।

তোম্পোক—অতুনা মহাক অসি সু'শি সু'ওনগী রাখল চংদবী পুকচেন শেপ্তবী অশেংবী ভুরা চতুরা ওইরমগদ্রা খনজ্জতুনা অহল রাখলনা য়াথং য়ানতুনা পুন্সিগী লোইনবী ওইজগে খনজতুনা খুড়া-খোই খ্বাইগী নক্ষমদা থুপচরিবনিদো। অতুবু খুড়া (রা মখাতাদবা)

পয়লাঃ—কৈদৌরবা ইবুংঙো?

তোম্পোকঃ—মকোক্তা শম হৌরবদি লায়রুগু হায়বদো ওস্থোক্লা চুমখ্রেদা খুড়া? ঐনা অহুক সুংশিজখ্রবদা, ইমাংমক্তদা মাগী মহাচণ্ডাল উদয় হায়বতুনা শানৌমাগা সুংশি রান্নি পন্দোম লোয়খ্রে। অতুনা হৌজিক্তি খুড়ানা পংহাই

হায়বীদুনসু ঐনা য়াজগদবা লৈত্রে। ইমিৎমক্লা উরবা ইনামক্লা তারবা'সিদদি মাবু ঐ অমুক লোজনিংদ্রে। খুড়ানা মুংশিবীদুনা ঐখোইগী পাজ'দা রা লোইনবীরুসু। খুড়া হায়বীয়। খুড়াগী নমথাং অমা লৈজগে।

পয়লাঃ—ইবুংঙোনা মাবু মুংশি মুংশি হায়না তাকপিব'সিদি মুংশিবা লম য়োৗরমত্রেদনা।

তোম্পোকঃ—করম্না খুড়া!

পয়লাঃ—ইবুংঙোনা মাবু তশেংনা মুংশিবিরম্নবদি অতুম তাকপী-রম্মোইদবনি। পাংকৈঙদা হয়িংদসু নোংজো হায়বগুম্নদনা অক-ক্ত পুম্নমক তাশিন উশিন্নদনা অনম তান্নদুনা হান্না ইথুং চন্নবা হোৎনগদবনি। তিংথং কিরবদি থম্বাল হেকপা ঙম্বা হৌনদ্রে। মুংশিবা য়োৗদবনা ইবুংঙোনা নিংহন্নবা নত্রাদে।

তোম্পোকঃ—খুড়া মাদু হায়গদুনে। ঐনা মাবু কয়াগী মতিক মুংশিজবগে হায়বদু ঐগী থম্মোই অ'সি শেগাক শেগাইদুনা উৎপা য়ারবদি ঙসাইনা উৎলমগদবনি। হনুমানগী থম্মোইদা সীতা-রাম লৈবগুম তোম্পোকী থম্মোই মন্দিরদা ঐগী ইবেম্ম হেমানা মতম পুম্নমক্তা ঙাম্থোইরিবনি। অদুদা মানদি উদয়গা ইমাংমক্তদা।

পয়লাঃ—অদুবু করি তৌই হায়বগেনে ইবুংঙো মদুদা করি অমাংবা লৈ। ফনেক খোইগা শেৎলিঙৈ কুমলং নাদা য়াম্লিঙৈ নিঙোন্না মপামদা লৈরিঙৈ হায়বসিদি তারাথোক্না থনবা

পয়লা :—লেংঙো, লেংঙো অহু ইবুংঙো, অমুত্তা……… ।

তোম্পোক :—করিমো খুড়া— ।

পয়লা :—ইবুংঙোগী লম্বীদা অপমবা ওইরিবা উদয়মু উনবা ফংলবমক্তদা মহাকপু কাহৌদ্রিবা করিংগীনো ?

তোম্পোক :—খুড়া এ ! অহুক হাক্লা পংবা মী নত্তে । ঐসু ঙরাং লেম্না থারোই তৌবনি । অহুবু ওস্থোকপা তানফম্লি । মা ঐগী মরক্তা হেমা লৈখিবনা ঐহাক পাঙ্গল থোকপা ইয়া য়াখিদরে । হেমাগী ময়ুমদা থেংনবনা মহাক্কী মরাইবক ফখিবনি । নংলমদ্রবদি খংঙমগদবনি । হেমাগী রা অসি মলেশগী মমাংদা পুথোকপসু য়াবা নত্তেদো । ম'সদা ঐদি য়াম্না রারবনি । সুং অনিগী মরক্তা হা ওইরবনি । (মতম খোলন্দ্র সুবদারনা চিংবা সিফাই থরা চংলকই । তোম্পোক অমদি থিয়া পয়লা সলাম তৌবা, খোলন্দ্রা ওকপা)

খোলন্দ্রা :—জমান্দর সাহেবকা তাদা পয়লাগা করি রারি শাবিরমলিবনো ? লৈগাক্কী ঈ-পাউগী মরমদরা ?

তোম্পোক :—নচ্চদে সুবেদার সাহেব ? ঐখোই ইমুং-মচুংগী করিগুম্বা রারি অমা শাজরম্বনি ।

খোলন্দ্রা :—ও-তাদা পয়লা ! তাদদি খংবীরম্বা য়াই । তাবিরম্বা য়াই । লৈপাক প্রজাগী ঈতল করিনো ?

পয়লা :—ঐনা করি খংগবি সুবেদার সাহেব । অচুগা মৈতৈনা

ফনা ঈহুল হল্লক্কুনসু সুবেদারখোয়গী বোম, তোপকা মমাংদা মখোয়না করি তৌরকপা ঙমগনি।

পয়লা :—অদুগা ঐনা সুবেদার সাহেবকী মফমদা কব্রি অমুক তমজগনি। সুবেদারনা হেন্না খংবীরিবা অদু মঙাই মৈতৈ অঙম্বা উদয়না য়াম্না থুনা আন্দলোন অমা হোরক্কদৌরি।

খোলন্দ্রা :—উমঃ চুমই—উদয় মহাকপু ফানবা হোৎনরকপদা ঙসি ফাওবদা ফাবা ঙমদ্রি।

পয়লা :—অদুদি সুবেদার সাহেব ? ঐ হানজরম্লগে। ইবুংঙো তোম্পোক খুড়া চৎলে।

তোম্পোক :—ফগানি লেংবীরো। (পয়লা চৎখিবা)

খোলন্দ্রা :—ঙরাং মুমিদাং উদয়বু তান্নগনি হায়দুনা সিফাই খরা পুদুনা চৎখিবা অদু অদুম্মক তান্নবা ফংখিব্রবরা ?

তো :—নোংমাইজিং চীংখোঙদা মখোইগা ঐখোইগা নোংমৈ খরা কাপনৈ। মহাকী মরাইবক ফখিবনা অমদি মচেং খরা লৈখিবনা অদুম্মক নাম্থোকখ্রে।

খো :—করে ঙসিদি করম্বা অনৌবা পাউ ফংলে।

তো :—ঙসি অয়ুক অঙবদা ঐগী মী অমা লাক্কুনা অরোম্বা পাউ অমা পীরম্মী। অদুবু চুমগদ্রা চুমমোইদ্রা হায়বদি অরেপ্পা খংদ্রি! মদুগী অরেপ্পা খংনবা মী অমা থাগ্রি।

খো :—করম্বা পাউনো ?

তো :—ঙরাং মুমিদাং ঙারিয়াল চীংদা মী খরদি ভিমৈ হায়।

ওসিস্থ তিন্নবা য়াই হায়না পাউ পীরবনি। তাংদাংবা অমা খণ্ডলগা··· ···।

খো :—অদুদি মতম মাঙহন্নবগী কান্নবা লৈতে। হৌজিক অরেপ্পা অমা খংনবা হোৎনরু। উদয় মহাকপু থুনমক ফাজিন্দ্রবদি লৈপাক অসি ইংবা য়াররোই। চৎলু সুবেদার সাহেব।

তো :—ফগনি সুবেদার সাহেব।

(সলাম তৌবা খোলন্দ্রা ওকপা)

—লাইট—

৪শুবা উৎপা
ওারিয়াল চীংহ্না

(উদয় নোংমৈনা মখোঙদা পান্দুনা চৎপা ওমদবগী মওংদা ফমদুনা লৈরম্মী। ওাইহাক লৈরগা চন্দ্রহাস চংলকই।)

উদয় :—চন্দ্রহাস! নংহাক লাকপা করেদা। ঐ নখোয় কনাগুম্বা অমগা য়াম্না উন্ননিংনা খোরাংনা ওাইত্থুনা লৈরম্মিবনি।

চন্দ্রহাস :—করি তৌরবগে অথোবা?

উদয় :—নহাল নোংমাইজিং চীংখোংদা মালেশকী সিফাইগা নোংমৈ কাপনবদা ঐগী কৈগল অসিদা নোংমৈ গুলিনা পালপ্রে।

চন্দ্র :—করি হায়বা অখোবা? নোংমৈ গুলিনা পাম্প্রবা!
(চংশিন্দুনা য়েংবা)

উদয় :—পানথ্রে। থরা শাখিনা শোকখে। ঐ হৌগৎতুনা চৎপা ঙমদ্রে। ঐ য়াম্না য়ারে। ঙসি নিনি গুরে। করি অমত্তা চা-থক্তনা নারক জগল অসিদা ঐমা লোত্তুনা থাঙলক্লিবা নো মৈগী চৈনাখোম্না চরা হেন্নকপগী মৈচাক্লে, খোনাউ অসি থুক. থুক কংথ্রে। হান্না ঈশিং থক্তিক্তং পীথকখো। অনকপা লোক অসিরাইদগী থুনা ঈশিং থক্তিক্তা লোৎরুখো।

চন্দ্র :—ফনি। (চন্দ্রহাস থুনা য়াংনা চৎখিত্নুনা পাত্র অমদা ঈশিং পুরক্তুনা অমুক থুনা য়াংনা চংলক্তুনা উদয়দা ঈশিং অতু পিথকই।) ওক্লত্রা অখোবা।

উদয় :—ওক্লে চন্দ্রহাস—। গুলিনা পানখিবা মকম অসি নিংথিনা লাইয়েংহৌত্রবদি পুমথরক্তুনা য়াম্না শাথিনা শোকখিবা তারে। অদুনা নংনা জেলা-উপায় অমা তৌদুনা কনাগুম্বা থঙনা চায়বা অমগী য়ুমদা ঐবু অমুক্তা পুসিনবীয়। ঐ ইতোমতগী পাম্পনা লম থাপ্পা চৎপা ঙমদ্রে। নং য়াম্না য়ারগত্রা?

চন্দ্রঃ—করি য়ানো অখোবা, থঙদত্নুনা তৌজবনি। থঙলবদি ঙয়াংনা লাকতুনা অথৌবু ঐখোয় ময়াম চংদুনা লৌজরগদবনি। অদুবু ঐখোয় ময়াম নত্রবসু ইতোমতা ওইরবসু

অথৌববু পোত্থনা থুনক তান্না পুজগনি। করিমত্তা চিংনবীগনু।

উদয়ঃ—অত্থুদি চন্দ্রহাস! চৎনবা তৌরসি।

চন্দ্রহাসঃ—কনানো?

উদয়ঃ—করি চন্দ্রহাস! মলেমকী মী লাকপ্রা?

চন্দ্রঃ—অথৌবা! ঐখোইগী সেনাহল ওইরমলে।

উদয়ঃ—ঐদি কীভম অসিদা মুংশাথিরুরেদা। অত্থুদি হৌজিক সেনাহলসু লাক্লবনিনা নখোয় অনিনা ইনাক্তা লৈরবদি ঐগী পাঙল থরা কনথৎলে। (সেনাহল কিংনা চংলকপা)

উদয়ঃ—সেনাহল! নংসু লাক্লব্রা—?

সেনাহলঃ—অত্থুবু অথৌবা! মকম অসিরাইদা কুইনা লৈথোকপা য়াবগী মভম নত্রে।

চন্দ্রঃ—করি তৌরবগে?

সেনাহলঃ—তোম্পোক জমান্দরনা লুচিংথুনা মলেমকী সিকাই কাংলুপ অমা মায়কৈ অশোমদা লাকহৌরে। থুনা য়াংনা চৌংথক্তা হায়গৎহৌবা নত্রগা মকম অমদা চৎথোকহৌনবা তৌরুশি। থরা থিম্বরবদি মখোয় য়ৌরকপনা হাল্লগনি।

উদয়ঃ—হা হা হা। অত্থব্ সেনাহল ঐগী কিভম অসিদা নখোয়গী ভুংইম্বদা থরা য়ানা থোকপতারে। নখোয়গী লম্বীদা থুরো থাংবা থোক্লগনি।

সেনাহলঃ—করি তৌরবগে?

উদয়ঃ—য়েংউ (অনাবা উৎপা)

সেনাঃ—ইস—।

চন্দ্রহাসঃ—অথোবা—! করি অমত্তা চিংনবি পহ্নু। সেনাহলগা ঐখোয় অনিনা যেগা উপায় তৌদুনা অথোববু থিদোক্লবা তৌজগনি।

সেনাহলঃ—অদুদি ১৫নবা তৌরসি। মপেম্বগী সিকাই য়েংখ্রকপনা হায়বা তারে।

উদয়ঃ—নত্তে, নত্তে চন্দ্রহাস! নখোয় অনি মকম অসিদগী থুনা থাংনা চংখ্রে। ঐবু হাকন্নবদগী নখোয়দু য়াওনা মপেম্বনা কাখ্রগনি, নখোয় অনি চংপো।

চন্দ্রাঃ—করি থানো অথোবা! অসিগুম্বা কিভম অসিদা মতম অসিদা মকম অসিদা অথোবা মতোমবতা থনম্নে হাৎখ্রগা ঐখোয়বু কদায়দা চংলো তাকপীরিবনো? ইমা মৈতৈ লৈমগীদমক্তনি শিবা তারবসু অথোবা নতুং ইন্দুনা মৌক্লা থোক্ত থরাই অসি থাদোক্ন মপেম্বনা কাবা কিতুনা অথোববু থন মু হু য়বগা ঐখোয় চংপা ঙমজরোই।

সেনাঃ—অচুম্বনি মদুদি ওইথোক্তবনা মপেম্বনা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎপু থাম্বগী লৈমনা তৌকখিদে। অদুগুমদুনা অথোবা নংহ কন্নু……।

উদয়ঃ—নত্তে সেনাহল! নং ঐনা উদবা থুজিনগী নায়কবু থঙবা হৌনব্রা। পুম্নমক শ্রীগোবিন্দগী ইচ্ছা ওক্তনি। অদুবু ঐগী হৌজক শুইরিবা কিভম অসিনা ইমাগী সেবাদসু পাংথোকপগু ঙমদা ঐবু কায়বা হেৎনবরা

নখোয়সু য়াওনা কাঁখিবা থোকপবদি মৈতৈ লৈমগী অমাংবা নত্রবনে ?

চন্দ্রহাসঃ—নত্তে, মীয়াম লাকপগী মীনিল অমা তাগে ! অথোবা ! ঐখোয়না হায়রিবা য়াবায় । ঐখোয়গীদমক্তা থনবীগদৌ । চংবা তৌরসি ।

উদয়ঃ—নখোয়গীদমক্তা থবা নত্তেবনে । মৈতৈ লৈমগীদমক্তুনিনে । নখোয়না মৈতৈ লৈমবু হুংশি হায়রবসি কদায়দা হুংশিরিবনো ? মীনম্বনি । ঐ অমা কাখিবসু কদায়নো হায়রগা ঐখোয় অহুম্বক পুল্লগা কাগলসি হায়ব্রা ? অহুগী শরুকপুদি ঐ অমা কাখ্রবসু লৈহৌরিবা নখোয় থরনালুচিংহুনা ইমাগী সেবাদা নথবাই খুবাক্তা হাপুনা ভগ্নে মলৈমশিংবু মণিপুর সনা লৈপাক্কী রাংখদা তাহোক্লবা হোৎনগদবনি । ভমদবা থোক্লে ইমাগীদমক্তুনি, লানফমদা নথবাই নোক্কা, নোক্কা থাদোকনি হায়না ঐনা শ্রীগোবিন্দবু সাক্ষী থমহুনা ঐগী মাঙদা রাশকউ; মহু ওইরবসি ঐনা প্রাসিমগী কৈশুমশংদা লৈখিবা তারবসু অমদি থরায় থাবা তারবসু পুক্লিং অসি লৈতাবা কংলগনি । রাশকউ, ঐগী মাঙদা রাশকউ ।

চন্দ্রহাসঃ—চুম্মী অথোবা মহগীদমক্তা চিংনবীরবদি মৈতৈ লৈমা মৈতৈ ইমাগীদমক মলেমকা মায়রোং য়াবদা খোঙকম অমতং তুংহনগে থনগ্রবদি শ্রীগোবিন্দনা শাক্ষী ওইসনু করিগুম্বা মসিদা তুংহনগে থনথ্রবদি মপোক মপোক

খুজিদা তাইবং মীওইনা পোকখ্রোই। অহুবু অথৌবা নংহাকপুন্নু অরাকমদগী লৌথোক্কবা হোৎনগনি। মসিনা ঐগী লেংত্রবা রাশ'রু।

উদয়ঃ—সুংঙাইরে মহুত্তনি ঐনা পামজবা চৎলো নথোয় অনি থুনা চৎলো (চন্দ্রহাস,সেনাহল থোকখিবা ঙাইহাক লৈরগা খোলত্রা সুবেদার অমসুং সিকাই খরা চংলকই।)

খোলত্রাঃ— চেল্লবদি অরেম্বদা নথরাই মাঙহনা তোকনি।

(খোলত্রগী ইঙ্গিৎতগী সিকাইনা উদয় কাবা)

খোঃ—হা হা হা। মতম কুইনগী শিকার ঙসিদি ইথুং চল্লেদো

উদয়ঃ—সুবেদার, রানা ঙাইরম্লেদা! অহুবু অরাবদি ঐবু দোল্লাইনা পুত্নুনা চৎপা ভাই।

খোঃ—দোল্লাই। হা হা হা……দোল্লাই! হা হা হা………

সাহেবকী য়েক্কবনা দোল্লাইদা হা হা হা।

উদয়ঃ—সুবেদার য়েংউ থাজত্রগা। (খোলত্রনা য়েংলগা)

খোঃ—বহাদুর ছেত্রর।

—লাইট—

শেৎবা ঊৎপা

হেমাগী মুম

(হেমা মথৱাই নুংঙাইতনা উখোকতেন্দা ঙাহ্নুনা চিন্তা তৌহুনা লৈ। মতম অসিদা হেমচন্দ্র য়াম্না মথৱাই নুংঙাইতনা চংলকই।)

হেমা :—তাদা—! (হেমচন্দ্র খুমদে, ইমুংদা চংগে তৌই) তাদা—!

হেমচন্দ্র :—ক'রনো—?

হেমা :—তাদা উদয়গী বিচারগী রারেপপু—! করি হায়রনা তাররবগে —?

হেম :—মহাক অৱাফমদা তাখ্রে—।

হেমা :—অৱাফমদ—! করম্বা অৱাফমদা—!

হেম :—মহাক্তি পুন্সীচুপ্পা কৈশুমশংদা লৈবা তাখ্রে—।

হেমা :—মপুন্সীচুপ্পা কৈশুমশঙদা—!

হেম :—মা'ম্ন। মচুম্ন হৈরৈবাক অসিদা নত্তে। মীরৈবাক্তনি। মহাকপু জিলা খ'রজ তৌবা তাখ্রে—!

হেমা :—জিলা খরিজ—!

হেম :—ঙসিদি জিলা খরিজ তৌবগী অরেপ্পা নুমিৎতি থংহনখিদ্রে। ঙ'সদগী হাপ্তা অমা লৈরগা অরেপ্পা নুমিৎ লাউথোক্কনি। জিলা খরিজ তৌবদি শোয়দ্রে। নুমিৎ অহুদ মহাকপু মখোং মখুৎ য়োংহিল্লং চন্দুনা স্না লগজাও সরক্তা,

লৈরক খুল্লক খুদিংদা পুদুনা চৎলগা স্না কৈথেন্দা পাং তিংদুনা সুমিৎ চুপ্পা ফুগনি হায়দুনা ঙসি বিচারগী রারেপ অস্থম্না তাখে—।

হেমা :—ঙসি বিচারগী রারেপ অদুমক তাখ্রবা ! অদুদি তাদা ! তাদখোয়না হৌজিক ফাওবা নিংঙাইদন লৈথোকপি'রবদি করিগীনো ? মহাক্কুম্বা সুপা অমনা অদুগুম্বা অরাফমদা তারবা ফাওবদা, হৌজিক ফাওবা তাদখোয় মৈতৈ মচা পুম্বনা করিগীদমক তুমিন তুমিন্না লৈথোকপিরিবনো—? করিস্থ লৈত্রবী পংলবী সুপীজা ওইবী ঐনা খঙবা ফাওবদা মহাক্কুম্বা সুপা অমনা মাঙখিবা তারবদি মৈতৈ লৈবাক্কী অমাঙবনি হায়না খল্লি।

হেম :—হে—মা—।

হেমা :—অচুম্বনি তাদা—! ঐনা হায়জরিবসি, মহাক্কুম্বা মৈতৈ লৈমবু সুংশিবিবা মচিন তোংবা, পুকচেল চাউবা মৈতৈ মচা মহাক অমনা মরম্নাই ওইনা অস্থমক মাঙখিবা তারবদি মতুংদা মৈতৈ মচা কনানা ইমাগীদমক চোংথোকপিরকনি। অস্থম্না ইমাবু সুংশিবিবা মৈতৈ লৈমগী মচানা মথং মথং মাঙখ্রবদি মৈতৈ লৈবাক্কী কয়াদা অমাঙবনো—?

হেম :—চুম্মী সুপীমচা! নংনা হায়রিবা রাফম অদু ইবুংস্থ খল্লিবনি। করম্বা পাম্বৈনা করম্বা লৌশিংনা মহাকপু কনগদগে হায়বদো ইবুংস্থ খল্লিবনি।

হেমা :—হৌজিক থল্লবা মতম নত্তে। থল্লবগী মতম লৈত্রবনি। থল্লরিবৈঙদা মৈতৈগী অকল-অথৌ কয়া কয়ানা মিৎনা উনা ২ মালেশকী থয়াক্তা তাখ্রবা! ঙায়োক চক্ষুদগী ঙা ফাবগুম, মালেশ মখোয়না মৈতৈ অকল-অথৌশিংবু অমমমতা ওইনা মাঙহল্লবা অসিদা মৈতৈ ঐখোয়না অস্তুম তু'মল্লা য়েংল্লুনা মহোয়না তৌবা থবক্তা মনিং তম্না থাদোক্লবদি মৈতৈ ঐখোয়বু মালেশনা করিস্থু ওইদনা থনখিবা তারে। থোইনা হেল্লা অথোই নাপল কাখ্রগনি। উদয়, মহাক্কুগী রা নত্তে। মৈতৈ লৈমগীদমক্তনি থন্দুনা মৈতৈগী স্নুপা সুপী খাক্তনা মালেশ মখোয়না তৌবা থবক্তা থিংনবা হোৎনদবা য়াদে। পাঙ্গলনা খণ্ডদে লোশিংনা খণ্ডদে উদয়বু অরাক্ষমদগী কন্দুনা মালেশকী মশু থুদেকহোদবা য়াদে।

হেম :—কন্নিংই—! মৈতৈ লৈবাক অসিদা উদয়বু কন্নিংদবা কনা অমতা লৈরোই। অহুবু সুপীমচা—! ঐখোয় অমমমতা চংলুরবদি হল্লা হল্লা মালেশকী মথুৎতা মাইথিরগনি। থন্দুনা য়েংও, পিক্লবা রাশ মচা অহুনা মপুন কাখ্রবদি থুদেকপা রাবনি। অহুনা শোল্লবা মৈতৈ ঐখোয়না প্রকচেল অমতা ওইনা পুল্লবতদা মালেশকা মাইয়োক্লনা লাম্বা তৌনবা য়াগদবনি।

হেমা :—হৌজিক্তি পুন্দ্রি। লিংজেল মান্নত্রি অহুনা উদয়বু কনবা ঙম্মোই অসিরা? কৈ মৈতৈ লৈমগী মচাহুপা পুন্নমক

মী পূনবা ঙাইদুনা মীখোমদুনা লৈবিহৌ। ঐখোয়না চংগনি। ঐখোয়সু মীনি। সুপীমক ওইরবসু মৈতৈ লৈমগী অরাবা কোকবগীদমক্তা মৈতৈ মুজা ঐখোয় পুম্নমক্তা খ্বাংদা খ্বাংজেৎ লাক্কনা, খোঞ্জেল অমতদা লাউরুসি ফাজসনু মখোয়না হন্না হন্না মৈতৈ মুপী অমুক য়াম্বসিবু মখোয়না কাবা ঙমগদ্রা ? হাপ্তোকপা ঙমগদ্রা ? ঐ হৌজিকমক চৎকনি। চৎকনি ঐসু মৈতৈ চনুশিংগী লুচিংবী অমা ওইগনি।

হেম :—হেমা—! মুপীমচা ! (কাবা) নংনা শিনগদৌরিবা খুঞ্জল অদু মালেশপু মাইথিবা পীবা নত্তে। মৈতৈ মুপা নবুং নৌপ্বাশিংবু মালেশকী মকমদা য়োম্থোকপনি। নংনা হায়রিবা থবক অদু মুপাগী মথৌনি মুপীগী মথৌ নত্তে।

হেমা :—মুপীগী মথৌ নত্তে হায়বা ? চুম্মী মুপাগী মথৌনি হায়না লাইথোকপদগী কে'ইরেং যুবরাজ, থঙাল মেজ্জর, মৈতৈগী মাই ওইদুনা লৈজরম্বা মখোয় পুম্নমকপু মাঙহনখিবা নত্রা ? থংনা ২ উনা ২ হৌজিক উদয়বু মাঙহনবা........। ঙম্মোই তাদা ! নখোয় মুপা ওইবনা করিগীদমক্তা মুপী ঐখোয়বু মুংশিবিদবগে—? থাজবিদবগে—? মৈতৈগী য়ুমথোং থুদিং শুরক্কদৌরে। মপুরোইবা কায়নরবা মুপী কয়া, মপা কায়নরবা মচা কয়', মবুং কয়া কায়নবগী মচন কয়াগী মীকপথোন, অসিগুম্বা মীকপথোন অসি তানা তানা হৌজিক ফাওবা মৈতৈ মুপা পুম্বনা তুমিন্না

লৈখোকপিরি। ঐ লোইনা খঙজরে। মৈতৈ মুপা পুন্নমক মখোং তেকপা, মনা পংবা মমিৎ তাংবনি হায়বদা করি অমতা চিংনক্কম লৈতে। ঐবু থাদোকপিয়ু। মুংলি ২ চাকপা মৈদা ঘি হৈজিল্লগা মৈ চাকনু হায়বদি ওই-খোক্কবনি। তাদা! ঐবু থাদোকউ। ঐবু থাদোকউ।

হেম :—মুপীমচা! ইবুংগী রাসি অমুক্তা তাখো। লৈগুম খোংলবা নংগী থমোই অতুদা শারবা য়োং মহিগুম্বা ঈ চেল্লক্কবদি খাংঙমদ্রবা মৈচাক্ক চাক্কন। য়েংনিংলবদ য়েংঙু, ঐখোয় মুপানা কর তৌবা ঙম্বগে হায়বতু নমিৎ পিৎনা য়েংঙু—(চংখিবা)

হেম :—চোংশিনবিয়ু! ১! মালেম মখোয়না করি তৌবা ঙম্বগে য়েংশি। মুপী ঐখোয়সু হৌজিক্কি তুমন্না লৈখোকপা ঙম্মরোই। ইচেম, ইনেম, ইচিল-ইনাও পুন্নমক খুাংদা খুাংজেৎ লাকতুনা হৌরসি। কর দমক্তা হৌজক ফাওবা তুমিন্ন লৈবরি? হৌরো ইতাম! করিগী দমক্তা হৌজক ফাওবা তুমদুনা লৈরি? লাও ঐগী ভুং ইনবীয়ু। চসিদগী হৌদুনা হেমা মৈতৈ মুপীগী লুচিংবী অমা ওইরবনি।

—লাইট—

৬শুবা উৎগা

লক্ষ্মী

(সিপাই ১ হোবিলদার অমগা থোবকই। নোটিশ থেংকম কোইরেং য়েংলগা)

হোবিলদার :—দেখে' ভায়—। এ গাসকে থুরে উপর এ নোটিশকা লাগা দে।

(সিপাই অদুদা খুদোম্বী থিন্দুনা তাকই। সিপাই অদুনা থেংপা চংখিব ভাইহাক লৈরগা নাকল অমরোমদা হেমচন্দ্র, সেনাহল, চন্দ্রহাস য়ারী শাদুনা থোরকই।)

,হম :—সিলোট মচা খোমজ্র সুবদার হায়বা অসিনা তৌরিবা আত্যাচার অসিবু ঐখোয়বু করম তৌশি হায়বগে? ঐখোয়গী লাইগুম্না থমজরবা কোইরেং অমদি থঙ্গাল মেজর অনিবু মহাক্কী মশাগীদা য়েংদুনা মহাক্কী মক্কম চাউনবা হোৎনবদা ফাঁসি তৌহনখ্রে।

সেনাহল :—অদুদসু পেন্দ্রদুনা বিজাতী মালেশতা হায়জন্দুনা নরাল লৈজরবা পুকচেল চাউরবা উদয়বু কাবিখ্রে। মৈতৈ মচা ঐখোয়না হায়জবা করি অমত্তা ভাবিখিদ্রে। হৌজিক ঐখোয়বু অসুম তাদুনা য়েংদুনা লৈরসিরা?

চন্দ্রহাস :—করিগী তুমিন্না লৈখোকদগে ঐখোইনা লাইখোক্লিদ্রৈদা। টিকেন্দ্রজীৎ যুবরাজ ১দি থাঙ্গাল মেজর অনিসু ফাঁসী

তৌগ্রিবনি। হৌজিকস্থ ঐখোয়না অসুম লাইথোকতুনা লৈরবদি পুকচেল চাউরবা উদগবুস্ত শোয়দনা মাঙহনখিগদবনি। অতুনা মৈতৈ ঐখোয়গী ইরৈাকপু মুংশিবীবা ইচিল-ইনাও পুম্নমক হৌতুনা উদয়বু কলহোদবা য়াদ্রে।

হেম :—অচুম্বান হয়েংদগী হৌতুনা য়ুমথোং য়ুমথোং খুদিংদা চংতুনা মী খোম্মগদবনি। নখোয় ঐখোয় পুম্নমক অসিনা পুকচেল মাঙ্গরবদবু মখোইনা করি তৌজরগে।

চন্দ্রহাস :—(উখোংদা পেৎপা চে উবা) ভাখথো ২ অসিদা থেৎলিবা চে অসি মলেশকী প উজেল চে হায়বতুরা (মখোই (৩) চংশিন্দুনা য়েংবা)

হেম :—(পাবা) নোটিশ ঃ—"অসনা মরম ওইতুনা মনিপুরগী প্রজা পুম্নমক্তা খংহল্লি মরমদি ঃ—উদয় কৌব মৈতৈ লৈবাকপু ইরাং হৌহনবা সরকারগী খুজু-খুৎলাই লুট তৌখিব, সরকারগী মতিক মগুণ চ উরবা খোলন্দ্র সুবদারবু হাৎকে তৌরম্বগীদমক আইনগী মতুংইন্না জিলা খরিজ তৌবা অমসুং ওক্টোবর তাং ৫-১৮৯১ ইংগী নোংমাইজিং জুমিৎতা সু কৈথেল তিনবা মতমদা খ্বাই কৈথেল্দা পাং তিংতুনা ফুবা। সরকারগী বিচারদা তারে। মতুংদা মহাক্তুম্না লম হেন্দুনা লৈপাক ইরাং হৌহনবা মীশক অতু মানা কংলিবা দণ্ড অসি চপ চানা কংগনি"
ইতি।

বৃটিশ সরকার

(হেমচন্দ্রনা নোটিশ অমু শেগ'ইবা)

মরাল লৈজত্রবা মীবু পাং তিংডুনা ফুবা জিলা খরিজ তৌবা। বৃটিশ সরকার ! ২ ! (:সগ ইবা খোংপাক্লা নেৎপা মতম অ'সদা পয়লা চংলকপ)

পয়লা :—ক'রনো ? ২—? ইবু ঙো হেমচন্দ্র—! সরকারগী অমুক লুরবা চে অমুবু শেগাইরিব'দ—? ঐখোয়গী বর-সাহেব ক.উণ্টমিচেন উরব'দ নখোযবু শোয়দনা ফাররনি।

হেম :— কনানো ? খুড়া পয়লারা—? খুড়া নত্রনে মনা পাম্বগী-দমক্তা ফম কা'নঙবগীদমক নজাতিগী মাঙনবা শিন্দুনা ম্লাখ্ৱা ইবুঙো যুবরাজ কোইরেংগী লৈফম তাক্তুনা ফাসী তৌহনখিবমু খুড় নত্রা—? হৌজিক কোইরেং যুবরাজ থাঙ্গাল মেজর ফাসা তৌগ্রে। খুড়াবু করি ফম ফংবিরবগে—?

পয়লা :—মাগীদমক ফনবা হায়বিরগা অঙাং অসি শাউরনে।

হেম :—শাউদবদি খুড়া—! খুড়ানা তৌবা থবকপু মৈতৈ কনাগী থমোইদা শাউরোইদবা য়াওবগে ? খুড়া রা য়াম্না ঙাং-বিগন্‌। খুড়াদনা মালেশকী মতুং ইন্দুনা হুইদোনা মখোং লেকত্নুনা লৈবগী মালেশপু কিবনি। ঐখোয়দি মালেশ কিবা মীশক অমু ঃ ঙে। চৎলু নংগী মালেশতা তমজরু চৎলু। হেমচন্দ্রনা নোটিশ শেগায়হোরে হায়না—।

পয়লা :—ক'র অঙাং ! অমুক য়'ম্না, নাপল তৌবা ঐনদি নপা গুলাপ অমুবু ইনাওদা-ইনাও ওইনা খন্দুনা নংবু ইচাগুম্বনি

হায়দুনা তাকপিরগা অহুক থিনা হায়বা। ফৈ পয়লানা করি তৌবা ঙম্বগে হায়বদো য়েংগদৌবা ঙাইহাক্তা মঙাইরে। শেরা শ্রীগোবিন্দনা খঙসনু খোলন্দ্র সুবদারদা তাক্তুনা নংবু হেক কাহনবা ঙমত্রবাদ মণিপুর স্না লৈবাক চাংনা কোয়ব'সদা পয়লা লৈগ্ররোই।

হেম :—ঙমজক্রচো! খুড়ানা অহুম্ন হায়রগ হেমচন্দ্র ঐনা কিগনি হায়না খনবরা! থিনবু থিল্লেনে!

পযলা :—ফৈ পয়লা ইতিক খঙহনগে।

(পয়লা ম'ফ কল্লগা চৎংবা। মখোয় অহুম নোকপা)

চন্দ্রহাস :—চৎখ্রে (২) মালেশকী হুই অসে, চৎতুম চৎহোরসি। চিক্তুম চিক্করনি।

পয়লা :—(য়াম্না শাউনা চংলক্তুনা) কনানো! :চোংপাক নাইদবা কনানো : ঐবু হুই হাযখিবদো। নখোয়গী অহল-লম্মনা লোইবা হুহ'ন হ য়না খনবরা!

চন্দ্রহাস :—খুড়া! অহল-লম্মনগা পন্দুনা ঙাংগনু। খুড় গী শাজং অদু হুইগী শাজং নত্রা? মৈতৈ অমা ওইনা পোক্লগা মৈতৈগী মাঙনবা শিন্দুনা, মালেশকী মখোং কোনদুনা লৈবদুবু হুই হাযবদা ক'র অরানবা লৈবগে!

পয়লা :—ইয়া মচোংপাক নাইত্রেদা। অমুকস্ন হ'য়রেনে। ফৈ হায়য়ু (২) পয়লা ইচাম্নপা অচৌবা লৈতে হায়দুনা, উ'শঙদুনা নখোয়না হায়রিবা নত্রদো নখোয় অহুমবুদি ঐনা কৈনগী লেম্মা তোক্কদগেদো। নপাগুম্বা ঐবু

নখোয়না হুই হায়বা। নখোয় ইচাগুম্বা ঙাক্তনিকো ঐগী মিত্তা পি তারিবসি ঐমক্তনা লান্দবা ওইরবদি নখোয়গী নথক্তা তাবা ওইযুকো। (মপি তৈথোকপা) অসি য়োনা ইকায়বা পীবা। ঐবু হুই হায়বা। কৈ ঐনা করি তৌরকপগে হায়বা অত্তু খঙগদবা ঙাইহাক্তা মঙাইরে। মৈতৈমচা উশিত্তবা, থকশি-থাশি নাইদবা শাববু।

(শাউনা চংখিবা)

সেনাহল :—হুম, —তৌবা শারিসে কপশিল লাউশিন্নরক্তনা ওন্থোক্লা মুংশখেদা। ইমান্নবককা ওইবমলবদি মথক্তাই অত্তুদা থুবক্লা শেং শেং থাত্তুনা নংনা তৌখিবা থবক্তা মনা চপ চানা পীবমগদবনি। (পয়লা শাউন প্রপ প্রপ চেন্থোরকপা)

পয়লা :—থাওনে থাওনে অত্তুক থাওনে। (চংশিনবা)

সেনাহল :—করি কান্নবা (অহল অত্তুদা ইন্নুবা) চৎলশি কান্নদে। হুইশিগী রা ঙাংনত্তুনা লেমদে।

সেনাহল :— (ময়াম থোকখিবা। পয়লা পেহো পেহো তৌত্তুনা লৈহৌবা)

—লাইট—

৭শুবা উৎগা

হেমাঙ্গী য়ুম।

(গুলাপ হেমচন্দ্র বাবী শাদুনা লৈবমই)

গুলাপ ঃ— হেমচন্দ্র ! নংবু ইপানা শোরী শোরী তারকইবসিবু অচুম্বরা ?

হেম :— করি ওইরবনো ?

গুলাপ ঃ— নংনা মালেশকী চে অরুবা থেৎপা শেগাই লখাই তৌরুই। অদুগা নংগী খুড়া পয়লাগম্থু থৎনরুই হায়রু চুম্বরা ?

হেমচন্দ্র ঃ— হোয় রৈহে অমা অনি হায়লখ্রে। খুড়া অসিদি মতা অমা ওইনা তৌবা জাৎনি। মাগী পুকচেল অসিদি য়াম্না ফংখিদ্রে। নুমিৎ খুদিংগী মী খুদিংমক্তা সাহেব কিদ্রা ? ২ ? হায়দুনতা লৈ। হুংশিদদুনা রাহে অমা অনি হায়নবনি।

গুলাপ :— নত্তে হেমচন্দ্র ! তৌগম্থু তৌগম্থু নং সাহেব কিদ্রা—?

হেম :— খিৎ তৌরন্দা ঐখোয়গী পাজিহোয়গী মতৌ অসিননি মীনা উশিংত্রবা। অদুম্না থক তৌবিগম্থু। ঐখোয়না মখোয়গী পোৎ করি চরাল্লুদুনা মখোয়বু কিগ-দৌরিবনো —? কিগদবদি মখোয়নি ··· ···· ··· ।

গুলাপ ঃ- -করি হায়বা হেমচন্দ্র—! মালেশনা নংবু কিবা। নত্তে হেমচন্দ্র ! নংবু মিহুন থরা চোইরবরা — ?

হেম :—ঐবু কিয়্ হায়বগী য়া নত্রে। মৈতৈ মচা ঐখোযবু কিফম থোকই হায়জবতনি।

গুলাপ :—কিদদমা মালেশনা লান তারক্লুনা মৈতৈ ছমচুশা মালেশকী মণিপুর ওইখ্রেদনা। মসিদা মৈতৈ মচা ঐখোয়বু মখোয়না কিগদবা করিনো?

হেম :—শোয়দনা কিগদবনি পাজি! অরানবনা লান্দববু কিবা হায়বসি মহৌশানি।

গুলাপ :—মখোয়না করি লান্দুনা—।

হেম :—পাজিখোয় করি অমত্তা জ্ঞান তাদ্দবোইরে। মীরৈবাক অমদগী লাক্লগ মীগী মচিন-মনাও মশেল হংনবদা মখোয়না কার বিচাব তৌফম থোকপগে? মুম্না থনবিয়্ পাজি। মখোয় হংসনা মণিপুবদা লাকপগী য়াফম অতু কাউ বরবরা? ঐখোযগী শ্রীযুৎ কুলচন্দ্র মহারাজগী মখোড পাযতুনা লৈফম মচেৎ অংতা পীবয্। লল্লোন-ইতিক তৌজগে অসি নত্র? মৈতৈ নিংথৌগী মথক্তা চৈরাক য়াযেনফম থোকপরা— ?

গুলাপ :—ভোয়নে হোয়নে অতুবুদি ঐখোয় মৈতৈনা চুপ্সিনে। অতুবু মৈতৈ ঐখোয়না খোনা ফবিবনি হায়তুনা ক মেসন সাহেবনচিংবা সাহেব মঙা হাংখিনতুবু ... . ।

হেম :—মতুস্থ ঐখোয়না ক বগী লানফম থোকপগে। মখোংনা য়াস য়েংগে হায়তুনা হাপ্ত বঙ্গালদ য়াস শাঙ্কল্লগা হুরাল লায়্মদা লান হৌরক্লুনা হুপী অঙাং মরক্তা

নোংমৈ কাপশিলক্লনা অহল-লম্মন মুপী অঙাং খোংবান্দা উকুদ লোত্তুনা কয়াদা রানখিবা মখোয়বু চুন্না হাত্তোক্লগা মৈতৈগী হৌরকইবা নহারোলনা পেনগনি হায়না খন-বিগন্নু। মখোয়বু মচেৎ মচেৎ ককথৎতুনা থা অমা অনি চংনা হাৎলমলবদি পেল্লমগদবনি।

গুলাপ :— তুমিন লৈয়ু ২! নংগী রাদো কনাগুম্বনা তাখ্রবদি নংগী মরুপ উদয়না ফংলিবা অসিগুম্বা নংস্থু শোয়দনা ফংগনি।

হেম :—তাগে হায়বমখৈ তাজখিসন্নু। চৈবা ঙাংবা অসিদ নত্তে। ঙমখিদ্রবদি ঙমখিদ্রে, ঙমলবদি মালেশকী ঈতনা মৈতৈ পোকপী ইমাবু ইরুজখিগদৌবনি।

(মতম অসিদা পয়লা চংলক্লুনা তাই)

মচুতদা মৈতৈ মচা ঐখোয়না পেনগদবনি। হৌজিক ফাওবা মালেশনা পানবা মৈতৈ মচা অমতনা য়ানিংদে।

গুলাপ :—চুম্মিনে অচুবুদি, ইপাখোয় কনা অমতনা য়ানিংবা নত্তে। অচুবু মখোয়না মরৌশিং চাওবা হেনখিদো—!

হেম :—মচুস্থু থংজৈ পাজি। মরৌশিং চাওরবা হুরাল লায়াদা থোনা ফয়বা মালেশশিংবু স্নাখ্বা ইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল মেজর অনিবু ফাঁসি তৌবগুম মালেশ-শিংগী লুচিংবা শাহেবশিংবু ফাঁসী তৌখিগদবনি ; মৈতৈ ইমা ইবেমশিংবু মমিৎ থিৎনা য়েংহনখিগদবনি। ঙমদবা

খোক্লগা মৈতৈ লৈমা ইমাগীদমক থরাই অসি থাদোক-কদবনি।

পয়লা :—ভো ভো ইবুংঙো গুলাপ! অসিনিসে নংগী নচা অসিনা কাইরিবা? মৈবুন হৌবগুম চাক্লবা মালেশতা মৈরানবাগুম্বা মৈতৈনা কার তোগদব'— ?

গুলাপ :—এ… তাধনবু লেংশিনবিরকউ ২ — !

[মানা ক্ষম্বা মোড় অদু থাবা]

অচুম্বনি তাধম্না হৌজিক হায়'বরিবা অদু খুৎকন প্যাঙ্গনবা মাশেলবু মৈতৈ ঐখোয়না কার তো'ক্লনি।

[হেমচন্দ্র শাওনা পয়লাদা য়েংলগা ইমু'দা চংখিব]

পয়লা :—ইবুংঙো গুলাপ! ভাইখো মসিগী রাক্ষম অসি তোক-খিসি। ইয়াম্বনা লাকইবসি য়াম্না লুবা রাক্ষম অমগীদমক লাকইবনি।

গুলাপ :—করম্বা রাকম্নিনা তাধন?

(মতম অসিদা হেমচন্দ্রনা খোংজিন ময়াদা লুমদুন তাবা)

পয়লা :—নংগী নচা অসিনা তোরবা সাহেবনা খেৎপা অরুবা চেবু শেগায়বা। অদুগা সাহেবপু থিনা থিনা চৈবা অসি তারক্লদুনা উদয়দোনা মহাকম্ব সাহেবকী য়েক্লবা অমনি হায়না লৌদুনা উদয়না কংলিবা অরাক্ষম অসিদগী হেনবা দুমিৎ হুমনি স্না কৈথেম্দা পুথোক পুথোক্লনা ফ্‌গনি অদুগা মীরৈবাকী কৈশুমশংদা মপুন্সীচুম্না থম-গনি হায়রদুনা তোম্পোক জমান্দারদা ফারকউ হায়না

শিন্নখ্রে। অতুনা নচাবু কনগে কল্লোই হায়বসিদি থোম্পাকী মখুত্তা লৈখ্রে।

গুলাপ :— অচুম্বুনে তাধন —।

পয়লা :— অচুম্বা নত্রবদি অসিবু ফাগী ভোবা য়াবা রায়নে ইনাও ইবুঙো !

গুলাপ :— অতুদি তাধন ! কমদোশিগে। ঐগী ইচা অসিদি অনিশুনা য়াওজব নত্তে। মুপা মথন্তা য়াওজবদা মহাক্না মীরৈবাক্তা মপুনসিচুন্না কৈশুমশংদা লৈখিবতুবু ঐনা করম্না য়েংহৌরসিগে ?

পয়লা :— করমদি তৌগনি। নচানা খজিক্তং লমহেনখিবননি। হৌজিকসু কম্লিংঙাই লৈ।

গুলাপ :— কম্লিংঙাই লৈ হায়বা

পয়লা :— লৈ।

গুলাপ :— সাহেবকী মখোং পায়তুনা তুরুরগা ইচাবু কনবিয়ু য়াগদ্রে ?

হেম :— ওইখোক্তবা রানী পাজী —।

গুলাপ :— তুমিল লৈয়ু লমহেনবা নং-পোকপদগী ঐনা অসুক রাদোরিবা নত্রা ? হেক্তা হায়বিয়ু তাধন ! ঐনা সাহেবতা তুরগা য়াগদ্রা ?

পয়লা :— সাহেবতা তুগদবা নত্তে। সাহেবনা কনগদবা নত্তে। সাহেবনা নংগী অরাবা কোকহনগদবা নত্তে। নংগী অরাবা কোকহনগে নংগী নচা কনগে কল্লোই হায়ব-

সিদি নংগী নচাদা লৈরবনি।

গুলাপ :— নত্তেনে তাধন ! ঐগী ইচা অসিদি লম হেন্দ্না লৈরবনি। হায়না তান্নবা য়াত্রবনি মানা লম হেনবদগী নত্রা ঐনা অম্বুক য়াম্না ৱারিবসি। ঐগী ইচাসি তোক-পিরোনে। ঐনা করি তৌরগা য়াগদগে মদুদা হায়বিয়ু।

পয়লা :— নচাদুপা হেমচন্দ্রগী ৱা নত্তে। নচাদুপীনা কনগ-দৌবনি নংগী অৱাবা কোকহনগেদৌবনি।

গুলাপ :— ঐগী ইচা হেমাবতিনা .... ?

পয়লা :— ইবুঙো ! কিংগৎখিগদ্রু। ইয়াম্বগী ৱাশে অমুক্তা তাখো।

গুলাপ :— অমুক্তা হায়বিয়ু। ইচানা করি তৌগদৌরিবনো ?

পয়লা :— নংগী নচাদুপী হেমবু তোমপোক্তা থাজদনা !

গুলাপ :— থাজরিবনি। চুম্না থাজবতা নত্তে মমা মমা ৱাশক্ক-হুনা থাজনরিবনি। অদুবু ঐগী ইচাদুপী অসিনা য়াদবদগী অরেপ্পা হুমিৎ তম্বা গুমদহুনা লৈরিবনি।

পয়লা :— তো তো মদুদনিসে কায়রিবা ৱাদি। হৌজিকসু নচাসে তোম্পোক্তা হেক্তা য়াহল্লু হোরেল হয়েং থংদে। অকবা হুমিৎ য়েংহুনা তোম্পোক্তা হেক লুহোংঙু।

ইবুঙো তোম্পোক্না "ঐগী ইবাইনি" মীনা কল্লকুনা। পংহ য় হায়জনবনি, বর সাহেবকী মীনি হেক্ত হায়হল্লু। কনানোনে মাবু ফাগদবা।

হেমচন্দ্র :— ওইথোক্তবা য়ানি থুড়া ! ইমানা ফনা পীরমহুনস্থ ইচম্না ফনা য়াহুনস্থ ঐনা য়ানিংদে । হেমচন্দ্রনা সাহেবনা ফাবা কিহুনা, অহুগুম্বা সাহেবকী মথোং লেক্তনা মজাতোগী মাংনবা শিনবা তোমপোক অহুদা ইচনমুপী পীহুনা ঐখোয়গা ভাই শেন ওইবা, মহুদি কৈদৌভৈদস্থ য়ারোই । চৎলু নংগী সাহেবতা তমজক চৎলু । হেমচন্দ্র-না ভাইহুনা লৈহৌরি হেমচন্দ্রবু ফাজয়ো হায়য় ।

গুলাপ :— তুমিনলৈয়্যুনহৈ । থরগা মহৌশানা য়াদহুনা লৈবদা নংনা অমুক হিকথোংজিল্লবদি ঐনা নিংলিবসি কদাই-দনো থুংগদবা ? নমানা শিরমদাইদা ঐগী ইখুৎ পায়-হুনা নচন অসি তোম্পোক্তা থাজৌ শিল্লরম্বা নত্রা—? নমাগী য়াথং অহুবু নংনা কায়হনগদৌরিবা নত্রা ?

হেমচন্দ্র :— পাজৌ ! ইমাগী য়াথংমি হায়হুনা অসিগুম্নবা শাদগী হেম্না তোল্লবা তোমপোক অসিদা ইচম্না মশানা ইয়া য়ানিংদনা হেমচন্দ্রনা সাহেবনা ফাবা-কিহুনা থাজবদি, হেমচন্দ্রগী থরাইনা লৈরিবমথৈদি থাজরম্মোই । হেমচন্দ্রনা শিপ্রবা মতুংদা তোমপোক ঐগী ইচনগা লুহোংবিয় । (শাউনা ইমুংদা চংখিবা)

গুলাপ :— হেমচন্দ্র ! ২ ! তাদা ভসিমক হয়েংমক অসিদি অরেপ্প হায়বা ভম্মোইদৌরি চিক্লা নচামুপীগী মরা অম-তদি তাজথিগে করিগী পীদদগে মহৌশানা ঐগীদি

পীগ্রবনি। মশানা অমুক য়ানিংদবা অসিদা কদাইনো হায়দুনা খনবন।

পম্লা ঃ—এ খংলে ২ নপা-নচা নখোয়পুম্নমক লৌতুনরিবোইরে! তোম্পোক্তা নচানুগী থাজনিংদে নত্রা ? ফরে ইয়াম্বা চৎলগে (খর চৎপা) অদুগা ইযাম্বনা হায়রমলিবা রাসে কাউবদদি কাউগনু (চৎখিবা। গুলাপ হঙৎ-হন্দা চত্তুনা রাখল তৌবা হেমানা মপাললোমদগী ফিংনা চেনশিল্লকপা।)

হেমা ঃ— পাজী ! প'জী ! ঐখোযগী ইংখোল অসি মালেশগী সিফাইনা পুমকোয় কোয়খরে।

গুলাপ ঃ— কৰি হায়বা নুপী মচা ! সিফাইনা কোয়খরে হায়বা ? উম ওসি ঐসু খোক্লরগনি হায়বা খংঙি। মসি পুম্নমক নবুংগা নংগনা খোকহনবা ঙাক্তনি। অপংবা নপা ঐনা করি খঙগনি। নখোয় অখোবা অশিংবা নচিন নৌপা তাম্নরুচো —।

হেম ঃ— ঐখোয়না করি তৌরবগে পাজী।

গুলাপ ঃ— নুপীমচা ! রা য়াম্না ঙাংনদুনা কাম্নদে। নহাক্না তোমপোক্না থাজবা য়ারম্লবা অমদি নবুংনা য়েৎলমত্রবদি খোদোক অসি খোকলমলোইদবনি। (হেমা চংগে তৌবদা তোমপোক অমসুং সিফাই খরগা চংলকপা)

তোমপোক ঃ— খুড়া —! হেমচন্দ্রবু —।

গুলাপ :— লৈ করিগীনো ইবুংঙো — ?

তোমপোক :— স হেবনা মাবু ফারু হায়দুনা ঐ লাকচরিবনি ।

(হেমচন্দ্র থোংজিন ময়াদা লেপ্লুনা লৈ)

গুলাপ :— তাদা পয়লাদা ঐনা অদু য়েৌনা ফজনা হায়খিবা অদুবু করি অমতা তৌবিদ্রবরা — ?

তোমপোক :— করি ওইরবনো — ?

গুলাপ :— করিসু নত্তে ইবুঙো ইচানুপীগী পুক্লিং অমতং থংজখিগে .... !

তোম্পোক :— এ — এ খুড়া মদো পয়লানা পংহায় হায়জিনবা ওইরিনি । ঐনা থোইনা ফানিংদ্রিবনি । মীগী মালেশকী তলব চাশিল্লুরবনিনা ইচা মীচা থায়দনা ঐগী থবক্তি তৌবা তাই ।

হেমচন্দ্র :— অচুম্বনি তোম্পোক । মীগী মীনাই ওইরুরবদি মীনাইগী থবক চপচানা তৌবা তাই । অদুগা নংবা মৈতৈ মচা ওইনা পোকলমলিবসি মৈতৈ লৈমগী মরাইবক থিবনি মৈতৈগী মাই থুবনি । নহাক্নুবা মীনাই অমগা .... ।

তোম্পোক :— হেমচন্দ্র — ? তুমিল লৈয়ু । নংগী অদুগুম্বা চোইরোন অদু ঐ তাগে হায়দুনা লাকপা নত্তে । নংবু ফাবা লাকপনি । চৎকনি চৎলোই হায়বা হেক্তা হায়য়ু — ?

হেম :— নংগুম্বা করিস্থ লৈত্রবা মীনাই অথগা চিন্দা-পাওদা-নত্তুনা খংনবা পামদে। লাও ফাজরো লাও —
(তোমপোক্কী ইংগিৎতগী হেমচন্দ্রবু লোকপ তৌবা)

গুলাপ :— হেমচন্দ্র — ! ২ !

হেমা :— পাজী ! করিগীদমক্তা চিংনবিরিবনো ? নচানা করি পোৎ হুরানলুহনা কনাগী মপোৎ মিহৌরুহনা, কনানো ! মৈতৈ লৈমগী শেবাগীদমক মথুৎ তু'বুম্ননা সরক লম-জাওদা চৎপদা পাজিগী মাই করিগী থুভম থোকপগে ? ইমাগীদমক্তা কৈশুমশংদা লৈবদি থুংনা স্বর্গ লাম্বা ফংবনি। তাদা ! করি অমতা চিংনবিগনু । করিগুম্বা মৈতৈ লৈমগীদমক্তা থরাই থাবা তারবা ফাওবদা নোক্সা ২ থরাই থাদোক্কদবনি ।

হেমচন্দ্র :— মাম্নি হেমা ! ইবুং করি অমতা চিংনদে । মৈতৈ লৈমগীদমক্তা মফমচাবা মক্কমদা থরাই অ'স থাদোকপদি ঐগী য়াইফবনি জয় মৈতৈ লৈমগী !

হেমা :— জয় ——।

হেমচন্দ্র :— জয় শ্রীগোবিন্দগী —!

হেমা :— জয় — । অমুক্তা ঙাইরমখো — । (চেনশিনথি-ড়ুনা লৈপরেং অমা পুখোরকপা) শ্রী গোবিন্দগী নির্ম্মা-লনি। মসি শিবিখো । মসিনা তাদগী য়াইফবা ওইসনু ।
(নোক্সা ২ শিবিবা)

হেমচন্দ্র :— (নোকনা ২) জয় শ্রীগোবিন্দজীগী।

হেমা :— জয় জয় মৈতৈ লৈমগী

হেমচন্দ্র :— জয় ——।

গুলাপ :— (মরক মরক্ত') হেমা ! হেমচন্দ্র — ! (হায়না অরাবা খোম্হোক্লা কোবা)

—বিশ্রম—

২ শুবা শরুক
১ বা উৎপা
তোম্পোকী য়ুম

(তোম্পোক চেয়ার অমদা ফমলদুনা মথক্লাই মুংঙাইনা লৈরম্মী। মথুক্তা শিরিবা ঘড়ি অমু য়েংঙি।)

তোম্পোক :—অফিস মতম ওইরেনা (শমজেং হাৎপা মিংশেল য়েংবা, পয়লা চংলকপা) থুড় লেংশিনবিরকউ। (চেয়ার চিংথোকপা)

পয়লা :— ইবুঙো জমান্দার তৌজিক্তি সুখদার কায়বমিমা নচা ননাই ওইবা ঐখোয়বু চাক খাংবিরেদনা— !

তোম :—খুড়া চাকপুদি চামরক খাওগনি। অদুদা মচাগী পুক্রিনা মুংঙাংবা কোবা লৈতবনিদা ··· ···।

পয়লা ঃ—করিগী মুংঙাইরোইদোরিবনো ? মুপা অমা ওইনা পোকপগী মতিক চাবা গুণনা লৈতেংলে। সুবদার ফমথোল হায়গংলে মসিফাওবদা মুংঙাইতবদ ইবুঙোদি মুংঙাইবা মশক খংদবা মী হায়বত্থু ওইরেদনা।

তোম ঃ—খুড়া ! ঐগী রাসি অমুক্তা তাবিখে। হেমচন্দ্রবু ফারগা ঐনা সুবদার ফমথোন হায়গংপা অসিদা ঐগী মুংঙাই-নিংঙাই কদাইদনো ? মুংঙাইবা নত্তে ঐগী পুন্সিগী আশা মথং মথং কায়ননবা শিল্লকপনি। হেমা মহাকপু পাম্ববদগী মুংশিরুবদগী, মহাক্কী হাকন্দগী ঐগী তোঁগ-দবা ইথৌ কয়া পাংথোকখিদ্রে। মত্থুদি খুড়ানা হেন্না খঙবিরিবত্থুমঙাই।

পয়লা ঃ—অত্থবু ইবুঙো ! হেমা মহাকপু ইবুঙোগা লুহোংলসি মবুং হেমচন্দ্রবু থাদোকপিগে হায়বা মতমদা শিথাং-থাংত্থনা য়াখিদরে—। মসিদা ইবুঙোগী তোঁকম থোকপা থবক তৌত্থনা হেমচন্দ্র মাবু ফাবদা ইবুঙোগী করি অরানবা লৈবগে ? করিগীদমক্তা রাবিবগে ? মণিপুর স্না লৈবাক চাওইনা। ইবুঙোগী করি রাংকদগে— ?

তোম ঃ—চুম্মী খুড়া—। মণিপুর স্না লৈবাক চাওই। মঙোন্দগী তাবস্থু লৈ। মঙোন্দগী হেনবস্থু লৈ। অত্থবু মথোয়শিং অত্থ ঐনা থোয়দারুদে। মী থরগী মরা তারগা ঐগী পুকনিং অসিনা অতোপ্পা রাথল অমা থল্লকপদা রাথল লংজিল হেক্তা পুল্লি। ঐগী থম্মোয় অসিনা হেমা

নগুনা য়ানিংবা লৈখিদরে। (হায়কেৎ নোকপা) খুড়া! সুবদার ফমথোল হায়বা অমা ফংলবা অসিদা লৈম খংদে, শিজ খংদে অরাম খংদে, হৌজক্তি হায়ফাত্রিরৈনা কৎলগে হায়বনা চামনি অদুবু..........!

পয়লা :—অদুবু ইবুংঙো! কাম্নরোইদৌবা রাথলম্না, রাথল লাইনা ওয়নবনি। হৌজিক করি তৌগনি। ইবুংঙোগী রা পুন্নমক হেমা মাগী মফমদদি থৌদু নুদা লাইজ ঈশিং চাইবগা পাংথক ওইখ্রে। নকশিন্নবা হোৎনবনা থোইন হেন্না লাপখ্রে। মাগী রাথল থাদোকপীরো। অদুগী শরুকপুদি মঙোন্দগী হেনবা লৈম শিজ অমা হোংদুনা লৈপাক মমাংদা লেম্নবগুম চাওনা লুহোং থোংদোংনবা তৌরসি।

তোম :—খুড়া! খন্নদুনা তৌবা হায়বদুনি।

পয়লা :—খন্নবা নত্তে ইবুঙো! করিগীদমক্তা চিন্তা তৌবিরিবনো? মরিংনা শাবা শংবাইবু নাম হাংনা শাত্রা?

তোম :— অদুবু। মরিং লরাই মচানা ঐগীদি হাংনা শাবিরম্মেনে।

(ফম্নদগী হৌগৎপা)

খুড়া লেংথোকমিন্নরসি। ফিরোল অমুক্তা শেৎচরুথিগে। গুন্দিদি থরা গন্না চাত্তবা য়াদে। হেমচন্দ্রগী বিচার লৈ। ঐনা কারুরবা কৌবনিনা ঐনা রিপোর্ট পিকম থোকই। খুড়া ভাইহাক্তা ফমবিরমথো। (চংখিবা)

(পয়লা রাখল তৌরিঙৈদা গুলাপ চংলকপা)

পয়লা :— এ .... ইবুঙো করি থবকী .... ?

গুলাপ :— তাধন — ! য়ুমদসু থিজরুরে । শোমদা চৎথি হায়রুনা তাধনগা হৌজিক উনদবা য়াদবা মতাং খোক্তুন হেক্তা চংজরকইবনি ।

পয়লা :— করি তাকপিগদবা ? (চেয়ার থাবা) অশোমদা লেংশিনবিয়ু ।

গুলাপ :— তাধন রারোৌবিরুসু য়ারনিদা — ইবুঙো তোমপোকপু লৈব্রা — ?

পয়লা :— লৈ, অফিস কাগনি হায়রুনা ফিরোল কোংবা চংখ্রি — ।

গুলাপ :— অদুদি ইচিল-ইনাও মপান অসিরাইদ র অমা অনিদা ঙাংনসি ।

পয়লা :— এ...... ইবুঙো ! মপান অমুক খোক্তুবসু মরুম অসিদা অসুম ঙাংনশি । করি অমত চিংনাবিগনু ।

গুলাপ :— অদুদা —।

পয়লা :— থংজরে । ইবুঙো তোম্পোক হৌজিক্তা..........পাক খে রকথিরোই । অসিদ লেংশিল্ল,......। (চেয়ারদা ফমহনবা) হায়বিরিবা রা অদু ।

গুলাপ :— অতৈ খোইদোকপা রাগী নৎচদে । ঙসি হেমচন্দ্রগী বিচারনি ।

পয়লা :—মতুদি থংজরে। ঐস্থ তাজরে। করি তাম্নসি হায়বগে—?

গুলাপ :—তোম্পোক্না ঐনা রাকম অসি হায়বদা থজিক্কং ইকায়বা অমা থোক্লহুনা, তাধন্দা রারম অসি হায়রগা ইবুঙো তোম্পোক্না রাকম অ'স ফাওনবা ভৌবিয়ু।

পয়লা :—ইবুঙো হেমচন্দ্রগী মরমদরা ?

গুলাপ :—মানি তাধন ! ঙসি মাগী বিচার অসিদা মাবু থাদোকপা য়ানবা ইবুঙো তোম্পোক্না থৰ্ব হোৎনবিয়ু হায়বিয়ুনে তাধন।

পয়লা :—হায়—হৌজিক ইবুঙো তোম্পোক্তি সরকারগী মচিন চৎপা মী অমা ওইরবনিনা মানা ঙাংবা রাদা সাহেবনস্থ তাবিষম থোকই। তোম্পোক্না হেমচন্দ্রবু থাদোক্কে নিংলবদি থোইদোক্না অরুব রাকম ওইরোই হায়না থল্লি অহুনা……।

গুলাপ :—থংজরে অমুক শাংনা হায়রুবগী করি কাম্নগনি ; ঐগী ইচামুপী হেমাবু মাগী মবু হেমচন্দ্র কম্নবগীদমক্তা ইবুঙো তোম্পোক্না লুহোংবা মহাকস্থ যারে।

পয়লা :—অত্তুদি ইবুঙো ! অত্তব য়াংবদি ঙসি হযেং অসিদা হেমচন্দ্রবু থাদোক্লবা তোম্পোক্না শোয়দনা মরাইনা হোৎনজগনি। ইবুঙো তোম্পোক্কী পুক্লিং চপ চানা থংই। লুহোংবা মুমিৎতি মমাংঙৈদা লেপ্লখিবা মুমিৎ অত্তুদা হোংনবা তৌরসিদনা করি মুমিত্তা লেপ্লখিবগে—?

গুলাপ :—ইবুঙো তোম্পোকপু পোকপা তাদহুগা ঐগা লেপ্ল থবা

অমদি হায়নখিবা পাঞ্জিকা য়েংহুনা হায়নখিবদি লাক্লিবা পোৎচুপী ১০ নি পানবা অসিদা লেপ্পখি।

পয়লা :—কয়ে অদুদি—মতুদা শোয়দনা হোৎনবা তৌরসি। করি অমত্তা চিংনবিগনু। হেমচন্দ্রবু তোম্পোক্পা ময়াইনা খাদোক্লবা হোৎনজরগনি।

গুলাপ :—শোইদনা মহাকপু খাদোকহনবিয়ু—। তাধম্না খংবিরি-বতুমঙাই। মহাক নত্তনা ঐগী কনা লৈত্রবনি। ঐগী হায়ববু মহাক্না লোইরবনি।

পয়লা :—করি অমত্তা চিংনবিগনু। পুক্লিং লৈতানা য়ুমদা হনবিরো—।

গুলাপ :—অদুদি ঐ চৎচরে তাধন।

পয়লা :—ফগনি। (গুলাপ থোকখিবা ভাইহাক লৈরগা সুবদারগী ফিজেৎ শেৎতুনা তোম্পোক থোরকপা)

তোম্পোক :—খুড়া—! হৌজিক ঐগীসিদা কনা লাক্লম্বা য়াওবগে? (খুমদবা নোকতুনা য়েংবা) কৈদোরবগে খুড়া—?

পয়লা :—হি……হি……… (নোকপা)

তোম :—করিনো খুড়া নংনা তৌরিবসিবু—? মীনা হংবস্থ খুমদে। কৈদোরবগে—? খুড়াগী মমাংঙৈগী থাশি-থানোগী মুংশিং অহু কাংঙকলবরা—?

পয়লা :—ইবুঙো মরিংনা শাবা শংবাইবু নাম-হাংনা শাত্রা? ইপা ইপুগী পাওরো অসি ওন্থোক্লা চুমখ্রেদা—। (তোম্পোক রা মচেৎ অমতা ভাংদনা চৎকে তৌবা, মুংঙাইতবা ওইনা) লেংলবরাও? অকিসকী থবকা মুংশি

মপাওগা কনানা লুখগে হায়বত্থু রাখল মুন্না খস্থরগা লেংবিয়্দা—। (তোম্পোক চপ লেপতুনা পয়লাদা য়েংবা) হুংশি মপাও তাবিররোইদরাও—?

তোম :—খুড়া—! ঐবু পুমঙক ঙকলে। করিনো? ঐ জ্ঞান মাঙলে।

পয়লা :—ঙকপিন্থু জ্ঞান মাংবিন্থু। মীগী ফিরাল মমায়না চুম্নকলবদা খিংবিনবা কনা লৈবগে শামু ময়ানা খিন্দোক-লক্লবদা মঙ্গে থেংগুনা করি তৌগনি।

তোম :—অদুবু করিনো খুড়া—?

পয়লা :—সুবদার সাহেবকী সুবদারানীগী লৈফম-কা শেংদোকপিরো য়ুম-কৈ মেরামোট (তোম্পোকনা ঙকপা উবদা) ঙকপিন্থু মযেক শেংনা তমজরগে। হৌজিক ইবুঙোগীসিদা কনা লাকলম্বগে হায়না হংবিবদো অতৈ কনা নত্তেবে। নকু ইবুঙোনে।

তোম :—কনা নকু ইবুঙো— ?

পয়লা :—ইবুঙোগী নিংনকম থম্মোয়গী মবেম্মা হেমাগী মপা-বুংনিনে।

তোম :—হা—! খুড়া করি হায়রম্মিবা—।

পয়লা :—হেমানা ইবুঙোগা লুহোংবদা য়ারে হায়না পাও পিররিবনিনে—।

তোম :—অওইবরা খুড়া ঐ থাজদেবো—।

পয়লা :—করম্না থাজবিরোইদোরিবনো ? ম'সিবু ফাগী য়াবা রাকমলা— ? ফর ফত্রবস্থ ইবুঙোদি হৌজিক ফমখোন হাইগৎলবনি।

তোম :—অ— ফু— বু— ?

পয়লা :—ঙসি হেমচন্দ্রগী বিচার অসিদা হেমচন্দ্রবু অরাকমদগী থাদোকনবা তৌবিয়ু হায়জরমমী। মাগী অমতা ঙাইজরবা মবুংবু অরাকমদগী থাদোকপিরবা তারবদা মহাকনা ইবুঙোগা লুহোংবদা করি মরমগী য়ারোই-দোরিবনো ? য়াদনিংঙাই করিস্থ নৈতে।

তোম :—ও.... চুম্মিদনা খুড়া থ জরে— ! থাজরে —।

পয়লা :—মহুদা খুড়ানা ইবুঙোগী রাস্থ তাদনা নাপলগা লোইননা হায়দোকখরে। শোয়দনা ইবুঙোন, থাদোকনবা হোংনগনি হায়ন', মসিদা করি অকায়ব —।

তোম :—করি অমতা অকায়বা নৈতে। খুড়াগী নাপল অদু ঐনা শোয়দনা মাই ঙাকনবা হোংনগনি। হৌজিক্কী মতমদা ঐনা হায়বদা সাহেবস্থ সোয়দনা তা'বগ'ন।

পয়লা :—ম'সিফাওবা লেপখোকনখ্রবনি। মমাংদৈদা ইবুংঙে'খোয়গী পাবুংগা লাক্লিবা পোয়ছগী ১০ নি পানবা অসিদা লুহোংবগী ফুমিৎ লেপনখি হায়। ফুমিৎ অতুদা হেক কায়দনা হোংদোকনবা তৌরসি। অসি হায়ছনা খুড়ানা ফুমিৎ ফাওবা লেপখোকনখরে।

তোম :—চুম্মী খুড়া— ! শারিদৈদা য়ৈহৌগদবনি। থবক

য়াংবগীদমক্তা (লুপা ফুরিৎ খাওদগী লৌখোক্লগা) মনা—
শে (পীবা পয়লানা নোকনা ২ লৌবা)

পয়লা :—অদু ইবুঙো ! হৌজিক্তি সুবদার কাবদগী হেন্দোক্না পুন্সিগী আশাসু নিংবা থুংগদৌরে । অদুনা চাক খাংবিবা য়ারেদনা— ?

তোম :—চাক-খাংবদা নত্তনা খুড়াগী ফিজোনসু হোংজগনি । অদুবু চাক খাংবা অসিদা খুড়াগী লনাই খুড়াগী থবাইনা পাম্বা ইনশাং মথেল অমতংদ হায়য়ুদনা— ?

পয়লা :— ইবুঙো ! ইনশাং মথেলগী'দময়ামগী ওইনা ঙাদত্তা মথেন চামা থোকনা থোংগে থোংবিয়ু । মদুগী মরক অদুদা খুড়াগীদি লম্নাই ওইনা খুড়াগী থবাইনা তাজবা অথোংবা অমতং তঙাইফদনা য়াওহনবিয়ু ।

তোম :—অদুবু করম্বা অথোংবনো— ?

পয়লা :—খুড়াগী বযস মত্তা অসিদা ইবুঙোদা কাওবদা হায়গদবসি হংবু হংগোইবে ।

তোম :—করিগী হঙ্গোই'রিবনো ? হেক্তা হায়দ্রিয়ু । পেংবারা, ঙাতিন্না, খাবক্র', শরেংলা, ঙাতোল্ল', অপাম্ব' হেক্তা হায়বিয়ু । অদু ইনৎ-নক্লবসু ম'রৈব ক্তগী ঙা অচৌবা লৈরি । হেক্তা হায়বিয়ু ।

পয়লা :—ইবু'ঙো মদু পুম্নমক অদু অমত্তা নত্তে ।

তোম :—অদুবু হায়রো খুড়া—।

পয়লা :—থরাইনা পাম্মনবদগী হায়গদৌরিবনি। নোকপদি নোক-
পিগনুকো—।

তোম :—করিগী নোক্লগদগে—?

পয়লা :—ইবুঙো খুড়াগী মথেল অসিদি নিংশিংলুবদা তিনবু
চুংঙি (তিনয়োৎপা)

তোম :—অদুবু হায়রোনে—।

পয়লা :— ইবুঙো অতৈ নত্তেনে (চিনথুম্মগা)

ঙানপ খোংবা—।

তোম :—মদুবু খুড়ানা অদুক লুনা অদুক হঙ্গোইনা
থমবিক্লরবা করিগীনো—!

পয়লা :— লুনা থন্দবা হঙ্গোইদবা য়াদবনিনে ইবুঙো।
তরাই তরাইবা ইনশাং মথেল নত্তেনে ইবুঙো।
অদুগৈ খুড়ানা য়ুম পানবা কুমদা ঙা পাম্বা খোকখিদবনা
অমত্তা পোকচবা ইচাগী লুহোংবা মুমিৎতবু ঙানপ
খোংজ্রবদি হায়দুনা অহল-লমন্না য়াম্না রানা তাংনা
কংখিবা ইনশাং মথেল্লে। অদুনা মসিগী ইনশাং
মথেল অসি হেক নিংশিংঙবদা— (কপলি কপলি
তোদুনা) মঙং মতম চাদনা লৈখিজ্রবী, নম্পোল অদো
হেক্তা নিংশিংলকইনে। (পি তৈথোকপা)

তোম :—খুড়াগীদমক্তা মথেল অদু ঐনা শোয়দনা য়াওহল্লগনি।

পয়লা :—ইবুংঙো—! চানবিবগী চানবিবা মথেল অমত্তংগা……।

তোম :—অমত্তা নত্তে খুড়া ; চাম খোকনা হায়বিয়ু—।

পয়লা :— ইবুঙো অতোপ্পা অমা অমুক নত্তে। ঙানপ থোংবদো ইরেম্মা থোংঙগা কপ্পবা শেংপ্রবা হঙ্গাম থাও অদুদা ইরেম্মা অমুক শোক তৌহুনা অনোইবা অমতং য়াওহনবিরবদি আঃ——হাওথরনিদা ইবুংঙো—।

তোম :—শোয়দনা য়াওহনজগনি খুড়া—।

পয়লা :— অদুগা ইবুঙো অমতংপা……।

ইবুঙোনা মৌগদোরিবনি থনজরুবদা খুড়াসু……।

তোম :—করি খুড়া………?

পয়লা :—হে করিসু নচ্চদে……।

তোম :—হায়য়ুনে খুড়া—। য়া লোংথেনে।

পয়লাঃ— ইবুঙো। হায়জরুহুনবু করি কায়গবনো। জীব কৌবনিনা অহুক থনজরুবনি।

তোম :—অদুবু হায়দোকওবা—।

পয়লা :—হায়ররোই ইবুংঙো—।

তোমঃ—হায়দবা য়াদে খুড়া—! মীনা তাহন্নিংদবা রাদি য়াম্না থুনা তানিংবা হায়বসি মহোশানি। হায়য়ো। হায়রোসে খুড়া।

পয়লা :—অদুবু-রাও— (চিন খুমলগা) নহা ওইহুনা অমুক নৌনা য়ুম কৈ—পানজনিংঙকএ হায়জবনিমা—!

তোমঃ— হা … হা … হা …।

লাইট

২ শুবা উৎপা

লখী

(পয়লা মথুত্তা ঈশিং খুত্তায় অমা পায়রতুনা ঈরুজবা কারকপগী মওং ওইনা মচিন্দা শ্লোক খীবগী মওং ওইনা চংলকই।)

পয়লা — হরে কৃষ্ণ, ২ কৃষ্ণ ২ হরে ২
হরে রাম ২ হরে রাম ২
রাম রাম হরে হরে।

(মতম অসিদা মরৈ লোমবা তোনানা চংশকতুনা)

তোনান :—মখোয়গী হুই অরাংবী অসিনা লখী চৎপা ফাওবা মা উনগনি খনবদা চৎনিংদরে।

পয়লা :—অচ্চা—! (য়েংতুনা লৈবা)

তোনান :— মসিগী হুই অ'স নোংমা মখোং থুদেকত্রিবমখৈ ম্নারোইদোরে।

পয়লা :—হেই অঙাং! নং ম্নতোইনরা— ?

তোনান :—করিনো খুড়া। খুড়াদা ঐনা করি তৌখ্রবগে ?

পয়লা :—করি তৌখ্রবগে কা-হায়না—নংনা হৌজিক হুই হায়খিবত্থু কনাদনো ?

তোনান :—হুইবু হুই হায়দ্রবদি করি হায়রগে— ?

পয়লা :—ইবা অমুকস্থু হায়রেনহে। ঙাইখো ২ নংবু পোকপা অহল-লমম্না কনা কনানো ? নমিংনা করি কৌই ?

তোনান্ :—ঐগী মিংবুদি তোনান কৌইনে।

পয়লা :—ইবুঙো তোনান! নংনা খল্লিববু পয়লা অহল ওইরে হায়দুনা উশিত্তুনা লক্লরিবা নত্রদো। তৌগদ্রু তৌগদ্রু অঙাং লক্লরগা চোপ্পা ফংবনি, অহল লক্লরগা কপ্পা ফংবনি হায়বা রা লৈব'ন। তৌদ্রু তৌদ্রু মঙ্গুংদা অদুম্না ঙাং লাকচন্নুকো। (হায়না চৎকে তৌবা)

তোনান :—করিনো খুড়! হুইবু হুই হায়রগা খুড়ানা অদুক শাওরিবা করিগীনো— ? হুইবু হুই হায়দ্রবদি য়েং হায়য়ুরা— ?

পয়লা :—ইয়া অঙাং অ'স'দি হুই হায়বদগী হেন্দোকতুনা য়েং কা হায়না অমুকস্থু হায়রিনে।

তোনান :—খুড়াগী নত্তৌ অদুনা হায়বিবনি।

পয়লা :—ইবুঙো তোনান নং ঙস তোইগেরা ?

তোনান :—করি খুড়! অহন্নি হায়দুনা ঙশাইমথৈ হনবিরগা পয়লা নং প য়খৎলুরা— ?

পয়লা :—য়েংঙু কয়াদা থকশি খাসি নাইত্রিবা অঙাংনো— ? কয়াদা উশিৎত্রিবনোসে—।

তোনান :—খুড়া ইরেল হনবিগে। নত্রবদিনে হুইনা লাকতুনা কৈফ্রোম শেগায়বগী য়াম্না থরাই সুংঙাইতনা লাক্লিবনি। খিঙেল তাইনবা ঙমদ্রগা নাশিখোংদা তাইনদুনা তোকনি। হুইবু হুই হায়রগা করিগীনো খুড়ানা অদুক শাওরিববু।

পয়লা :—ইয়া মচোংপাক ইনাই নাইত্রদুনা অমুকস্থু হায়গে মতাঙুম

হায়রিনে। ওসি নরৈ অরোম্বচু থদংলুরা—? হৈ লৈতংপা।

তোনান ঃ—ক'রি খুড়'—? লৈতংপকা হায়বা শারি অতৈ হায়রবদি য়াবনি। হৌজিক মচু হায়রবনিনা অহম্রি হায়দুনা মংবু ঐনা লেম্না থাগদ্রা—? হায়খো নবুক অকংবা অচুদা খুনিং অসিনা থাইগেদো—।

পয়লা ঃ—লৈতংপবু লৈতংপা হায়দ্রবদি শৈরোম্বা হায়রুরা—?

তোনান ঃ—কৈ হায়রু হায়রু (মফি শেম্বা)

পয়লা ঃ—হেরা ওশাইমথৈ ইচাগুম্বনি হায়দুনা হনবিরগা, ন'নদি হন্দ্রগা পয়লা ঐনদি হনগদ্রদো—।

(খুজাই থমদুনা ফি শেম্বা মতম অসিদা মপান্দা উদয় চেনশ্রে ২ হায়না লাওনরকপা মখোয় অনিমক মফি শেম্বদগী ওক্লা তাবা উদয় ফিংনা চেনখিবা সিফাই, সুবদার, তোম্পোক্লচিংবনা তান্নখিবা।)

—লাইট—

৩শুবা উৎপা

প্রান্তর

(মতুংদা নোংমৈ কাপ্পা উদয় খুবোমদা পান্দুনা ঈ তাদুনা তুরোই-ঙারোই থোরকপা। তোম্পোক্কচিংবা সিফাই থোরকপা। উদয়গী মশম পায়দুনা)

তোম্পোক :—হা—হা—হা—অপংবা। বৃটিশ সরকারগী মমিংতা উফুল চাইদুনা অপং থোনা উৎতুনা চেনগে থোরাংবা। থংঙু তোম্পোক ঐনা বৃটিশ সরকারগী মথাদা লৈরিঙৈদদি নংগী লম্বী খুদিংমক্তা তোম্পোক্কা পল ওইদুনা চীংগুম লেংদনা লৈগদবনি। মসি থক কাওগনু হা—হা—হা—
(খোংপাক্কা নেৎপা)

—লাইট—

৪শুবা উৎগা

হেমাগী নিংখিজরবা কা অমা

(মতিক চারবা পোৎকী লৈতেংনা থল্লি। জাতীনা লুহোংবগী ফীজেত্তা হেমাগা য়ারী শান্নুনা লৈ।)

জাতী :—অন্থবু ইতা! ঐনা হায়রিবসি অমুক্কা খন্থখো।

হেমা :—খল্লিবনি। অন্তুম ওইনমক ইতা! ঐনা তোম্পোক্তা লুহোংবা য়ারে হায়না পাজীগী মীনম্বা থোদোক অসি তুং-ইন্নদুনা ঐনা ইশাগী য়াশক অসি থুগাইদুনা পুন্সী অসি অরেম্বা মাংহনগদ্রনে ইতা।

জাতী :—নংমা তোম্পোক্তা লুহোংবা য়ারে হায়না পাজীনা ঙাংঙুরিবা য়াকম অসি নংস্ত অমুক্কং খন্থদুনা য়েংঙু। পুন্সীগী মরম্মাই হুংঙাইনবা নত্তে। মাগী অমত্ত ঙাইজরবা মচান্নুপা ১দি নবুং হেমচন্দ্রবু কম্নবগীদমক্তা হায়রুবা মীনম্বা য়াফম্মি। মসিদা পাজীনা লাল্লি হায়বস্তু করম্মা হায়-ন্নিগেনে ইতা—।

হেমা :—ও—! ইতা! য়াখল ময়াম অসি ঐ পুবা ঙংদ্রে। করমনা খাঙলসিগে ইতা।

জাতী :—অসি ঙাক্তনিনে ইতা ইবেম্মা! মীওইবগী অরা হুংঙাই খাঙবা ঙম্নবা হোৎনদ্রবদি করম্মা মী ওইগনি ইতা। মীওই-বগী অরা-হুংঙাই অরেপপা লৈবরা—?

হেমা :—চুম্মী ইতা ! মীওইবগী অরা-মুংঙাই হোংনা হোংনা চৎলিবনি। ঐগী নিংবা কায়রবা পুন্সীদা থোক্লকপা থুদোংথিবা কয়াবু অরাবনি খন্দবা ঙম্মী। ওইবা য়াবা অরাবা মুংঙাইবা কয়াবু খঙনিংদ্রবী ঐনি। অদুবু......!

জাতী :— খন্দবনা চুম্মী। ইরোইবা মপা থু দবগুম মীওইবগী অরা-মুংঙাই পুম্নমক চপ চানা মহৈ ফংবা তাঙনা থোকই। হৌজিক মতুগী অফবা ফত্তবগী খন্নব মতম হেনখরে। হৌখিবগী হোখ্রে। অমুক হন্নবা য়াররোইদবা রাখল খল্লুহনা কান্নদে। রাখল অদু থাদোকলো।

হেমা :— থাদোকপা ! থাদোকনিংলবা ঐহাক্তি। অদুবু ইতা ! থাদোকে নীংবা রাখল অদুনা ঐবু হেন্না খলহল্লি। করম্না থাদোক্কনি। থাজদ্রে। মপোক অসিদা মাবু কাউবা ঙমগনি নিংদ্রে।

জাতী :— অদুবু মাংদা লৈরিব' থোদোক অসিবু লায়না খনবদি চুমদে। অহল-লম্মন সমাজ ! অমুক য়াম্নসিবু খন্দনা নং ঐনা তৌনিংবতা তৌরবদি নং ঐতা নত্তনা পুম্নমক শিরগনি। মসিবু খন্দবা চুম্না ? মীওইবগী পুন্সীদি শিগদবা ঙাক্কনি। শিরোইদোবা কনাসু য়াওদে। লেংদবদি মিংচৎতনি। নং ঐনা ইপা ইমাগী মিংচৎ মাঙহনবা চুমলিব্রা ?

হেমা :— শিগদবা মীওইবগী মন্নুংদা নং ঐসু য়াওরি। নোংম নত্রগা নোংমদি শোয়দনা শিগদবা ঐনা অমুক রানা হিংহনা

লৈরুবগী করি কান্নর? শোয়দনা শিগদবা নং ঐনা ইশাগী মিংচৎ অথিবা থমলস্বদি চুম্লিবর ?

জাতী :—হায়রিবত্থু ঐ খাঙবা ঙমদ্রে। অহল-লম্মনগী র ইন্দ্রপা মিংচৎ ফবনি হায়বসি করম্না হায়গদৌরিবনো ?

হেমা :—ইশাগী রাশক ইশাগী অনিংবা থুগাইববু তাইবংদা মিংচৎ অফবনি হায়গত্রনে ইত ?

জাতী :—হায়ব'দ— ? নহাক্না খঙভি। ঐগী ৎরাই অসি ঐগী ওইখিদরে। ঐগী ওইত্রব হকচাং অসিবু মী থরগী নিংবা থুংনবা ঐনা করম্না কনাদা পীগদৌরিবনো ?

জাতী :—অত্থু রাকম অত্থদি হোৎ্রবা ১দি হয়েংমুক্কী মপোক্কী রা ভাখ্রে। লেংহৌরিবা পুন্সী অসিনা ইপা ইমাগী মুংঙাইনবা শিনবনা মচা ওইবা ঐখোয়গী নিংবা থুংনবা তৌকম খোকত্র ?

(মতম অসদা হেমাগী মপা চংলকই)

গুলাপ :—ইচাশা! হৌজিক রারী শাদুনা লৈথোকপগী মতম নত্রে। গুমাংদা মীনা পিক থনখ্রে। ঈশৈ হৌখ্রে। বর লাকহৌরে হায়বা পাউ লাক্লে। অত্থনা নশা মুং-ঙাইতে হায়বদো থর খিং ফরবদি নশাগী থৌরাং লোই-থোক্লবা তৌরো। ফিরোল শেৎনবা তৌরসি। ইপাগী ইবেম্মা হেমা— ! মতম অসি য়ৌশিল্লক্লবা অসিদদি মুং-ঙাইতবা অরাবা কোংগাই লৈরবসু থম্মোইমুংদা লোৎতুনা থমগদবা মতমনি। সমাজ ১দি অহল লম্মনগী পেন্নবগী-

দমক্তা নশাগী অৱাবা নু ডাইতবা ৱাখল পুন্নমক পুক্লিংনা য়োৱা ডমজ্রবা লমদমদা ১দি মিৎনা উখিদ্রবা ডমথৈদা তাইবং কনাবু উহন্দনা থম্লগদবনি ! ডসি কৌবা নুমিৎ অসি নংবু পোকপী নমাগী ৱাশক ডাকপা নুমিৎনি। অমদি মচাগী দশ কর্ম্মা মপুংফাবা, মপা অমা ওইবগী নুংডাইরবা নুমিৎনি। অসিগুম্বা নুংডাইরবা নুমিৎ অসিদা নহাক্কী মাইথোংদা অৱাবা শকলোন পুদুনা ইপাগী থম্মোইদা অনৌব অৱাবা অমুক হাপ্লগন্নু। ইপাগী ইবেম্মা ন'দি খঙলোই। নংগা ঐগা থাদোক্নগদৌরিবসি। ইপাদি থৱাই হকচাং শেৎনবগা পাংথক ওইগদৌরিবনি। অদুবু মতমগী নোংলৈ মতুং ইন্না ১দি মতমগী খোংচৎ মতুং ইন্না য়াদবা মতাং থোকপনা, ইপানা ন'বু থাদোক-কদৌরিবনি। নত্রবদি নহাকপু নপা ঐগী ইথাদা চেৎনা কোন্দুনা থমজগদবনি। অদুবু সমাজ ১দি মীওইবগী চৎনবী কৌবা অমদি লৈবনিনা মদুদি য়াদ্রেদো। অদুনা হৌজিক্তি ৱাখল পুন্নমক অকাউবগী ইপাক্তা লংথদুনা অফবা ফত্তবা পুম্বা তাইবং মপুগী মফমদা শিন্নদুনা ইপাগী আশা মপুং ফাহল্লু। নত্তে মতম অসি নত্রে। নফি নরোল শেংলুনবা নশাগী থৌরাং লোইথোক্লো। জাতী। নতাগী চন্দন চৱা থিন্নবা অসোমদগী চন্দোন চৱা অদু থৱা লৌবিয়ো লাও। লাকও ২।

(গুলাপ, জাতী ভুংথ মাংথ চংখিবা, মতম অসিদা মপান্দা মী খরা য়ারি শারকপা তাহুনা মনা থাংগৎহুনা তাই)

মী ১ ঃ—(মপান্দা) করিনোনে স্না কৈথেন্দা তৌহৌরিবা মতৌ অসিদি য়েংহৈবা থোদো নত্রেদা লৈপাক মচাশা।

মী ২ ঃ—(মপান্দা) করি তৌরবগে ?

১বা মী :—ঙসাই স্না লমজাও সুরক্তা মথোং মথুৎ য়োৎহিলং চন্দুনা কোইপু পুহুনা চৎখিবা উদয় কোবা পাখং অহু স্না কৈথেল ময়াইদা পাং তিংহুনা পোথা পোত্থা শগোল শাজৈনা ফুহৌরি। মশা অহ ইহিং-নাইহিং শাহৌরে। ঙসি সুমিৎচুপ্পা ফুগনি হায়। মাবু পোকপা অহল-লমম্না মচাগী মতৌ উবদা য়াম্থ য়াম্থহুনা ঈশিং চাইহুনা লারুহৌরিবা, য়েংহৈবা থোদো নত্তে। উরুবা ঐথোয়না পাপনি।

৩বা মী :—(মপান্দা) করি কাম্নবা অহুম্বা য়াবু লুহোংকমদা করিগীদমক্তা পুথোকপিরি।

—লাইট—

৫শুবা উৎগা

লক্ষ্মী

(তোম্নপোক পয়লানচিংবা নোক নোক্তুনা থোরকই)

পয়লা :—ইচা ইনাওশ :— থোঙ্গাল ময়া য়ৌশিল্লক্লে অমুক্তা শেম শাহো.সদনা।

(পয়লানা তোমপোক্কী কোইয়েৎ ফিরোংচিংবা শেম শারি। মিংশেল পায়বনা তোমপোক্কী মমাংদা মিংশেল থল্লি। মতম অ'সদা প্রজা ময়াম অন্দোলন হৌরকপা, নিন খোংব তা'রি।)

হেমা :—(মঙ্গুংদা) উপয়বু
ময়াম :—(মঙ্গুংদা) থাদোকউ
= ৩ লক

হেমা :—মালেশনা পানবা
ময়াম :—য়ানিংদে
= ২ লক

হেম :—মৈতৈ লৈমগী অরাবা
ময়াম :—কোকহনসি
= ২ লক

হেমা :—মৈতৈ লৈমগীদমক্তা থরাইশে
ময়াম :—থাদোকশি
= ২ লক

হেমা :—উপয়বু
ময়াম :—থাদোকউ
= ২ লক

(মতম অসিদা হেমা অঙাওবাগী মতোগুম তুংমাং হন্না হন্না য়েংদুনা তক্পিং তক্পং চেনখিবা)

পয়লা :— করিনো ? করিনো ? তোরব মচৌ অসিদ — ?

তোমপোক :— কৈদোরবগে খুড় ? মখোয়না ফন. লাউজদুনবু করি তৌজরগদগে ? বৃটিশকী বোম তোপকী মমাংদা মখায়না কয়া কুইনা লাউজবা ঙমগদগে — ?

পয়লা :— ই—হে

তোম :— ইহে নত্তেনে খুড়া। মৈতৈ মচাগী থৌনা অদু ঐ চপ চানা খংই। বোম তোপ'ত হায়রুদ্র, হোরেন বৃটিশ সারকারগী পোকলাউবীগুম্বা নোংমৈ মচা অমগী মখোল তাবদা কায়দুনা চেনখিগদবা মৈতৈনিনে। কান্নদেসে খুড়া অদুগী শরুকপুদি ঐগী কোইয়েং অসলাইবক খুম্বা খর রাংলে। মসিদুম — শেমজনবিয় —

পয়লা :— ইবুঙো কেইয়েং শেম্বাগী লাইরি হৌজিক ইমাং মক্তদা লুহোংগদবা নুপী চেনখরে। ইবুঙোবু উ বহৌদ্রিব্রা ?

তোম :— করি হায়বা খুড়া — !

ময়াম :— চুম্মী সুবদার সাহেব চেনখ্রে।

তোম :— অচ্চা — ! (শাউনা কোইয়েং অদু লোখোক্তনা পয়লাদা পীশিল্লমলগা মফি তাখৎতুনা তান্নখিবা)

পয়লা :—তৌরিবসিবু ঐনা মহুৎ শিন্দুনা হোংবা তারিবরা—?

লাইট

৬ শুবা উৎপা

সনা কৈথেল

(খোগেন্দ্র সুবদারনা লুচিংদুনা সিকাই থরনা ঙাক-শেন্দুনা উদয়বু পাং তিংদুনা ফুরে। উদয়গী মশা অদু ইহং-নাইহং শারে। য়াম্না লাপনা 'উদয়বু থাদোকপিয়ু" হায়না প্রজা ময়ামগী অন্দোলন তই।)

হেমচন্দ্র :—উদয়বু
ময়াম ঃ—থাদোকপিয়ু
} =৩ লক

উদয় :—ঈশিং— ! ঈশিং— ! খজিক্কু— !

খোগেন্দ্র ঃ—ঈশিং থকে হায়ব'— ? কৈ পিথকনি। বহাদুর—। কোই নজোপসে পানি হৈ তো পিলাদো (বহাদুর থুনা থোকখিবা) উদয় ! হৌজিক ফাওবা নংগী নশাদা ঈশিং খোয়াংবগী পাগল লৈরিবরা— ? (উদয়না খুমদবা) কৈ পিথকনি —। পিথকনি। (বহাদুরনা ঈশিং পুশিল্লক্কুনা খোগেন্দ্র সুবদারদা পীরবা) সে সে থকউসে—। (পিথকে হায়দুনা ময়াদা হৈগদবগী মওংদা চংশিল্লকপা। ঈশিং অদু মমায়দা চায়শিনবা পাত্র অদু লংথোকপা) হা— হা— হা— ঈশিং পিথক্কুনা নংবু খোয়াংবা কোকহনবা ; খঙঙু, নং হৌজিক মরুভূমিদা লৈবনি থন্দোকতুনা খোয়াংবা অদু খর ফবরা য়েংঙু।

হা— হা— হা— ....। খঙও, লৈবাক প্রজা পুম্নমক চুম্মী মহাক্না ফংলিবা দণ্ডি অসি মরম্নাই নত্তে। লৈপাক প্রজা নখোয় পুম্নমকপু ম্নারকলিবনি। অসিগুম্বা দশা অসি ফংনিংদ্রবদি অত্থুম তুমিন তুমিন লৈয়ু।

(খোলেন্দ্রগী ইঙ্গিতগী উদয়বু ফুবা)

চন্দ্রহাস :—(মপান্দা) হাই সিফাই মচা— ! মৈতৈগী মৈতাল অসিবা। গৌড়িয়া চত্তবা ফিরিংগিগী হুইরোই নংবু মৈতৈ চমুগী ঈ নত্রা ? ইচিল-ইনাওশা চংশিনবিয়ু চংশিনবিয়ু মৈতৈ লৈমগী দমক্তনি। নিংহম্নবিগনু। থম্নাই পাম্মুবিগনু চংশিনবিয়ু।

হেমচ :—(মপান্দা) শ্রীগোবিন্দগী

ময়াম :—জয়

হেমচ :— মৈতৈ লৈমগী

ময়াম :—জয় (অ স হায়দুনা ময়াম চংঙকপগী মওং)

খোলেন্দ্র :—চার্জ করো—। কিয়া দেখতা হায়। চার্জ করো—।

(মপানদা সিফাইগা প্রজাগা ইম্নবগী লাউ খোংবা তাবা হেমচন্দ্রনা লিন তোংবা ফরাল অমা পায়দুনা সিফাইগা ইম্ন ইম্নদুনা চংলকপা খোলেন্দ্রনা ফরাল অত্থু মুল্লগা থুদেকপা। হেমচন্দ্রবু সিফাইনা মকোক্তা নোংমৈ শুগানা থাবা। অসুম তৌদুনা চন্দ্রহাস, সেন হল, তোনাম্নচিংবা প্রজা ময়াম "মৈতৈ লৈমগী জয় ! শ্রীগোবিন্দগী জয়" হায়না অনিরক লাওর-লাওরদুনা চংলকপা সিফাইগা ইম্নবা। মতম অসিদা কাউন্টমিচেল সাহেব চংলকদুনা মতৌ অত্থু য়েংলগা।)

কাউণ্টমিচেল :—ফায়ার— ! (সিফাইনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরে) । সনাহল, চন্দ্রহাস নোংমৈনা পান্দুনা শিরে। সাহেবকী ঈ-পাউদগী উদয়বু পুখিনবা সিফাইনা পুনবদগী লো-খোকপা হোৎনরি। প্রজাগা সিফাইগা ইন্নবা লেপ্তে। মতম অসিদা হেমা লিন তোংবা কিরাল অমা পায়রুনা "মৈতৈ লৈমগা জয়, শ্রীগোবিন্দগা জয়" হায়রুনা লাউর-লাউরহুনবা চেনশিল্লকহ। নোংমৈ মপা খোক্তুনা হেমা নোংমৈনা পান্দুনা তুগে তোক্তবদগী অমুক হোগৎ-লকহুনা তুরোই-ভারোই চেনশিল্লকতুনা "মৈতৈ লৈমগী জয়! শ্রীগোবিন্দগী জয়" হায়রুনা উদয়গী মখোং ময়াদা তুপ্থরে। মতম অসিদা উদয়বু পুনবা থাদোকপা লোইরম্মে। উদয়না হেমাবু করি অমতা হননা য়েংলম্বা ভমখিদরে। খোলেন্দ্রগী হুৎগৎতগী উদয়বু সিফাইনা চিংখোকথরে।)

হেমা :— (উদয়না চৎখিবা মাইকৈদা য়েংলগা) শ্রীগোবিন্দগী জয় — ! মৈতৈলৈমগী জয় — !

(হায়না শিবা)

(অন্দোলন নেমথরে। উনমুক চিকথরে। মতম অসিদা গুলাপ মচান্নুপীবু কোর-কোরহুনা অভাওবগী মতোগুম চংলকই। কপস্নু কপতে রাস্নু ভাংদে। নোক্‌স্নু নোক্তে। মচাবু মুংশিনা য়েংলগা তপ্পা পমথৎলি। মমিৎতা মপি শিন্থবা হৌরকলে। মতম তানজা অসিদা প্রজা অমনা থম্মোই শোক্না ভেংথা ঈশৈ শকলকই।)

গুলাপ ঃ— মৈতৈ চনু —। মচাগী মরাইবক্তা চুম্মা।

ঈশৈ — ওকতা

লোইবেদো গুসি লোইরেদো।
মৈতৈ লৈমগী মযোমলোই
লাইবক চাওবী মৈতৈ চনু
লোমখ্রসনু [নংগী] পূন্সী চেংজেন
ভাইবং জীব পুম্বনা —
শোমহোৱগনি [নংগী] কোলোই মিংলেন্দি মৈতৈ
চনু হেমা।

(ঈশৈ লোইবগা লোয়নমা যোবননিকা হাইজিল্লকই)

LIBRARY

সমাপ্ত

অহানবা কোওবা কপী ১,০০০
১৯৬৮ ইং।

মপ্পম :— মণিপুর গীতা প্রেস, শিংজমৈ, ইম্ফাল।